## এডিটোরিয়েল

লাংবনগী ২৭ নি পানবা য়ুমশকৈশা, ওক্টোবর ০৭, ২০২৬

[illegible]

# দেমোক্রেসিদা মীয়াম্না পূন্নমক্কী মপুনি

## (মীয়ামগী লৈঙাক্তা মীয়াম্না ৱাবসি ঐখোয়না মপুনি হায়বা খঙদবা মতমদনি)

শঙ্গোম মপাল অফবা চাসি হায়রবদি শঙ্গোমদু অফবা ওইগদবনি। শঙ্গোমদা ঈশিং তপতানা য়াল্লগা মপাল কাবা হৌনদে। মীয়াম ফত্তনা অফবা লৈঙাক্লোই থোক্লকপা হৌনদে। মসি লোজিত্তা নত্তনা মহৌশাগী চৎন-লোনচৎনি। লৈঙাক্কী নাৎকীসু মখা পোল্লি। লৈঙাক্কী নাৎ হায়বদি পোলিটিকেল কলচর হায়বা অমা মীয়ামগী অমসুং লৈঙাক্কী কোক্তা চুদুনা লৈবা অমা লৈগনি। মদু মতম শাংনা চত্থরকপনা পোলিটিকেল ত্রেদিসন অমা ওইরকই। মসি অফবা লম্বীদা লাল্লবদি লৈবাক্তু চাউখৎলি। মীয়ামসু নুংঙাই। ফত্তবা লম্বীদা লাল্লগনা লৈবাকসু চাউখত্তে মীয়ামসু ৱাই। মসিনি ইরমদম মণিপুরদা থেংনরিবা ৱাথোকসি।

পোলিটিকেল কলচর অসি মখল অহুমনি ঐখোয়ন লাল্লগা লাকইবসি। মদুদি পেরোকেল, সবজেক্টিভ অমসুং পার্টিসিপেন্ট পোলিটিকেল কলচরনি। পেরোকেলদি নিংথৌ পানবা মতম, অঙম অথৌদুনা হায়বদু চাদা চাম্মা ইল্লগা ফবা ফত্তবা করিমত্তা হায়দনা মখোয়না তৌনিংবা তৌদুনা লাকপদা য়াদুনা লাকখি। মতমসিদা মীয়ামসি লিভর্টি এন্দ একুয়েলিটি লৈতে। অদুনবু মীয়ামসি নিংথৌগী সবজেক কৌরল্লিবনি। অনীশুবসিনা সবজেক্টিভ পোলিটিকেল কলচরনি। সাহেবনা লোই চনবা মতমনি। মীতোপ্না লৈবাক ঙাক্তুনা মীয়ামসি লোইলমগী মী ওইবনি। ফজদবা লোন্দাদা মীনাই ওইবনি। ঐগী লমগী মীনা লৈঙাক্তে হায়দুনা ইশাওদা শাওনিংবা, থবক ইনখাং ফাওবা তৌনিংদবা, কিবদি য়াম্না কিবা, থোক্ল-থোক্লবনি পংলৈ লৈরগা লোয়রে হায়বসিনা চৎনবী অমনি।

হায়রিবা সবজেক্টিভ পোলিটিকেল কলচর লোইচনবা মনুংসিদা মীয়ামগী রিএক্সন লৈতবদি নত্তে। ইহৌ খরদি লৈঙাক লীক্লম অনীসিদা থেংনখি। নুপীলান অহানবা (১৯০৪), জাদোংনাংগী ইহৌ (১৯২১দগী হৌবা), ইরাবতকী ইহৌ (১৯৩৮দগী হৌবা) নুপী লান অনীশুবা (১৯৩৯)। অনীমক লোই মপু অমসুং নিংথৌ পানবগী মায়োক্তনি। মসি পার্টিসিপেন্ট কলচর পাল্লকপগী মমিনি।

অদুননি ১৯৪৭দা অইবা কন্সটিট্যুসন লৈদুনা ১৯৪৮দা এদল ফ্রেনসাইজ দা, য়ুন্সফম ওইদুনা মীখল তৌদুনা লৈঙাকলোই ৫৩ খন্দুনা এসেমব্লি ফমদুনা লৈঙাকপা হৌরকখিবা। মদু টার্ম অমা ফাওবা ফাদনা ভারত্তা এসেমব্লি অসিগী অয়াবা য়াওদনা পুনখি। অদুগী মতুংদা পার্ট সি ষ্টেট ওইবা, টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল লাকপা, য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরকপা, ১৯৭১ ফাওবদি অমুক সবজেক্টিভ পোলিটিকেল কলচর হস্তরক্তুনা পার্টিসিপেন্ট কলচরগী মহাও মীয়ামদা মাঙখি।

১৯৪৮ ফাওবগী মীরোলদু ১৯৭২ মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবদদি অয়াম্বা লৈখিদ্রে। ইরাবত মতমদা মরু হুনখিবা দেমোক্রেসিগী পার্টিসিপেন্ট পোলিটেকেল কলচরদু মতোন চোংদুনা হৌগৎপা হৌরকপদা ঈশিং চাইদুনা ঙসি মহৈ য়াল্লগদবা মতম অসিদা, লৈখোক্তগী ভারতকী অনৌবা লৈবাক মনুংগী লোই খুচন্না সবজেক্টিভ পোলিটিকেল কলচরদা অমুক ওন্থরকখি।

১৯৭২গী মতুংদগীদি পেরোকেলসু, সবজেক্টিভসু পার্টিসিপেন্ট কলচরসু মিক্স তৌদুনা য়ানশিন্নবা পোলিটিকেল কলচর অমা নৌনা শেল্লগা লৈরি। তমদনা সবজেক্টিভকা পার্টিসিপেন্টগা, চীংদনা পেরোকেলগা পার্টিসিপেন্টগা মিক্স তৌরগা হাইব্রিদ দেমোক্রেসি থোক্লকখ্রে।

মসিগী অচৌবা অশোয়বসি ইফেক্টিভ পোলিটিকেল সোসিয়েলাইজেসন লৈতবগীনি। মসিগী এজেন্সি ওইরিবা ভোট লেপ্পা কাংবু, সি এস ও, মাস মেদিয়া মীয়ামসি ঙসি ফাওবদা অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা ঙমদে। মরমদি পোলিটিকেল কন্সিয়সনেসকী মতাংদা মীয়ামদা লৌশিং ওইনবা করিগুম্বা অখন্নবা থবক অমত্তা তৌদে। মসিনি খ্বায়দগী শোয়রিবসি। পার্টি অমগা পার্টি অমগা হুন্নবা মশানা তাবনি অকায়বা লৈতে। অদুবু পোলিটিক্সকীসু বেসিক ওইবা লৌশিং খরদি লৈগদৌবনি। মদু লৈতনা পার্টি মশেল হুন্নবা তাবদা কুম্ধে য়েংবগুম্বনি। মশা মশাদা ফিরেপ অমত্তা লৌরোই।

ময়োলগী পোলিটিকেল এৱার্নেস কেম্পেন অসি য়াম্না ফৈ। অদুবু মীয়ামগীদমক ক্লস্বনা, মৈরা পায়বীনা মতেং পাংদুনা মফম খূদিং শীনগদবদু থৱায় ইয়াও য়াওবা উদে। মীয়ামসু থোক্ল-থোক্লবা হিংবনা হেন্না পাম্বগুম তৌবননি ৱারিবসি। মশানা ইকোম কোমনা খঙলবা ৱাফমনি চহী ৫-৫গী মীখল তৌরিবসি। ফৱগা মথংসু কাসনু, ফৎত্রগা শীন্দোকঊ হায়বনি। মসিগী চৎনবীসি লৈরবদি কাদবা হান্নগী মীহুৎ ওইরম্বদুনসু পারা অমা খঙজরে, অনৌবা কারকপদুনসু মতুংদা মহাক্কা ফৎত্রবদি মাসু অমুক তুবা য়াই হায়বসি খঙগদবনি। মদু হৌজিক ফাওবদি উদ্রি।

অসুক য়াম্বা টার্ম ময়াম অমা চৎখিবদা পৈশা লৌদবা, চাকচা-হৈজানবা, পার্টি কয়া শীন্দুনা ভোট থাদনবসি অদুম তৌদুনা লাকই। মসি খুঙ্গংদসু ময়োল লমদসু অদুম মতৌই। খেন্নবা হায়ববু ময়োল লন্না পৈশা চানা চাউনা য়েল্লি। চাকচা হৈজানবগী চাদিং ৱাংই। ইশম শন্না ময়োল লমদা লুপা ক্রোর ১০-২০ চঙবদু খুঙ্গংদদি ক্রোর ৪-৫না কোন্নে। পৈশা য়াম্না চঙবা চঙদবগী খেন্নবগী ৱানি। কোক্তা লৈরিবা ৱাখলদুদি চপ মান্নে। পৈশা য়াম্না পীবা ঙম্বা, পীজ-পীথক

## লাই ধন

ফজনা তৌবা মীরেপতা ভোট পীগনি হায়বদুদি চপ মান্নে।

অদুননি লৈঙাকপদা হৈজদবা মতিক চাবা খনবগী মহুত্তা পৈশা য়াম্না তিংবা ঙম্বদা ভোট পীবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি। সিঙ্গাপুরগী ফজবা ৱাফম অমা লৈ। নঙনা লুপা লীশিং ১ লৌবদা মহাক্না হয়েং তানখিগদৌরিবা পৈশাসি লুপা ক্রোর ১০০নি। ক্রোর ১০০।১০০ কয়াদু মীয়ামগী পূন্সি মহিং ফগৎনবা হোৎনবদা থাদরবদি কয়াম কান্নগনি। তানগদৌরিবা ক্রোর ময়ামদু অতৈদগী নত্তে। চাউখৎ খোঙথাংগী থাদরকপা পৈশাদগী, থবক লৌবদা, অতৈ-অতৈ থবক তৌবা ময়ামদনি। প্রমোসন অমসুং ট্রান্সফর ফাওবা লৌনরিবনি।

অসুন্না মীখলদা পৈশা চাউনা চাউনা তিংহনবসিনা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইগে খনবদুদি ঙল্লিবমখৈ পৈশা তান্দবা য়াদে। পৈশা পায়দবা মীরেপতা পৈশা থাদদুনা মীখল কানবা হোৎনবদা মহাক্না তিংবা পৈশাসি ক্রোর লীশিং লীশিংগী ময়ানি। পৈশা থাদদবা মীখলদি কারকপা এম এল এদনা লৈঙাক শেল্লমদাইদা পৈশা ময়াম অমা পীদুনা মাগী মী ওইনবা হোৎনৈ। মন্ত্রী ওইনিংবা কাংবুনা মঙোন্দা অমুক পৈশা চাউনা চাউনা পীগনি। পৈশা পীনবা লৌনবগী থবক ঙাক্তনি।

অনৌবা ৱাথোক অমনা লৈবাক মনুংদা পীনবদগী হেন্দোক্তুনা দেল্লি য়ৌনা অমুক পীনবা অসিনি। চুম্বা লানবদি খঙদ্রে। দেল্লিদগী লাকপা ওবজার্ভরদুসু লৌবা য়াবা লৌরি। পৈশা য়াম্না ফংবসি লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইনিংবা ৪-৫গা শুবসিনি। খনগদবদি অমত্তনি অতৈদু অমুক পৈশা মাঙগদৌরিবনি। হন্দোকপসু য়াদবগুম তৌ। অদু অমুক করিগীনো? পার্টিগী ফন্দনি হায়গদৌরিবনি। ভোট অমুক অমুক তৌবদা দেল্লি লৈঙাক্কীসু পৈশা ময়াম অমা ষ্টেট ষ্টেটতা মাগী মাগী পার্টিনা কাননবা থাদনরিবনি। য়াম্না থাদরগা পার্টি অদুনা মশীং য়াম্না কারে, য়াম্না থাদ্রদগা য়াম্না কাদ্রে। অদুননি রুলিং পার্টিনা অয়াম্বা মতমদা খূদোংচাবা হেল্লিবসি। শেঞ্জাও পায়বদগী কৎলকপা পৈশাসু রুলিং পার্টিনা য়াম্না হেল্লি।

মরুদি কন্দায়দগীনো? মীয়াম্না ভোটতা পৈশা য়াম্না তিংহনবগীনি। মসি চাউখৎতবা লন্না মহেল্লি। ১৯৭২গী ষ্টেটহুদ ফংদুনা চত্থরকপা ইলেক্সন অসিদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা দেমোক্রেসিগী চত্থফম থোকপদু তৌদ্রি হায়বা য়াই। মনি অমসুং মসল পাৱর অসি লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। চীংগী ওইনদি পৈশা তিংবা য়াম্না ৱাৎলি। মখোয়গীনা নোংমৈ পায়বা কাংবুনা মীয়ামগী মহুত্তা মখোয়না থাদনিংবা মীরেপ্তা থাদবসি মতম শাংনা চৎনদুনা লাকই। তম্পাক্তা কিহন খং হনবা খরা অদুম মতৌই। য়াম্না কন্নমক তৌবদি ঙমদে। অদুবু নোংমৈদি অদুম শীজিন্নে। থায়ননা গুন্দানা হৌজিক্লা নোংমৈ অমসুং বোমনা।

পৈশা য়েনবসিমদি চৎনবীনি। পৈশা থুংদ্রি হায়দুনা ভোট থাদবা চত্তবা ময়াম পুল্লপ ফমদুনা পৈশা হেক পুরক্তুনা য়েনবা মীরেপ্তুদ ভোট পীগনি হায়বা ভোট নুমিত্তা থেংনবা য়াওই। অয়েনবা কাংবুগীদি নুমিৎ নীনি হুন্নি ৱাৎলিঙৈদা কেনি দদেট মশাগী ৱার্করশিংনা পাক্তক্লনা চৎনবী অমা ওইনা পৈশা মশীং লেপ্তুনা পাকতক্লনা য়েল্লি। নুংঙাইহিরিবদি কেন্দিদেট অমখক্তগী নত্তনা অয়াম্বা লোয়নমক মানা মানা ঙম্বা থাক্তা অদুম য়েল্লি। অদুগীনি ভোট লোয়রগা কাদ্রবা কান্দা পৈশা পায়শিল্লগা য়েল্লি য়েন্দে হায়দুনা খৎন-চৈনবা, ফুনবা তোয়না থোক্লিবসি। মীশি মীনা ফাওবা য়াওনখ্রবনি। মতাংসিদা নুংঙাইহিরিবদি কেন্দিদেট অমত্তা নত্তনা লোয়না য়েল্লবদি কনাদা ভোট পীগনি হায়বা ৱাহং অমা লাক্লি। অদুদনি পৈশা খ্বায়দগী য়াম্বদা পীবা অমা নৎত্রগা ইমুংদুদা লৈরিবা ভোটরশিংদু য়েঙ্হোক্লন্দুনা খায়দোক্লরগা থাদনবগী মওংদা চৎনবসু য়াওই। অঙকপা মীয়াম্নি। মসি মীয়াম্না অহোংবা পুরক্তনা কনানা পুরক্কনি। পৈশা য়েনবা চঙবা ঙমদবা ইমুংসু লৈ অদুবু মশিং য়ামদে। ভোটর চনবা অহানবা নুপামচাদি পৈশা অয়াম্বা লৌদে।

মীয়াম্না খঙবীগদবসি মণিপুরী ঐখোয়না চীং-তম অনীমক্কী মীয়াম্না ১৯৪৭তা ইশাগী কন্সটিট্যুসন লৈরবা মতুং ১৯৪৮দা মণিপুগী অহানবা এদল ফ্রেসাইজ দা য়ুন্সফম ওইদুনা ভোট থাদনখি। মীহুৎ ৫৩ খনখি। শীকিসু লৌনদে-চাকচা হৈজানবসু তৌনদে। মতমসিদা ভারতকী ওইনা কন্সটিট্যুসনসু লৈত্রি। ভোটসু তৌদ্রি। অসুক হান্না এদভান্স ওইনা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্তা লাইমিং লৌরকপা ঐখোয়গী মীয়াম্না করিনো ঙসি চত্থরিবা মীখল অসি। চাউখৎপা মীয়াম হায়বসিদি চৎনরকপা খূদিংমক ফত্তবনা হুন্দোক্লগা অফবা ওন্থোক্তুনা লাক্লবনি। অদুবু ঐখোয়গীদি অফবদু হুদোক্লগা ফত্তবদা চঙশিল্লকপসি চৎনবী অমা ওইনা লাকপসি চুমথোক্তবদি মনিংদা হনবা তাবনি।

অরোইবদা থমজনিংলিবসি ঐখোয়না লৈরিবা লৈবাক অসিগী লৈঙাক অসি দেমোক্রেতিক ইন্সটিট্যুসন্নি। মসিদা মীয়াম অমসুং লৈঙাকনা দেমোক্রেটিক পোলিটিক্স তৌদ্রবা অমসুং লৈঙাক্লসু তৌদ্রবা দেমোক্রেটিক লৈঙাক্তা লৈতবগা চপ মান্নে। মরম অসিনা হৌখিবা মীরোলনা শোয়বদুদি চৎখ্রসনু। ঙসিগী মীরোল জেন জি অমসুং জেন অলফাগী মতমদদি অয়ৌবী থাক্তা এতেন্টিভ পব্লিক ওইনা হোৎনবা চঙই। মণিপুরী ঐখোয় হীরম খূদিংদা নোপ্তবনি শান্নবগী পাউ নুং ঙাইবা তাবগুম লৈঙাক অমসুং মীয়ামগীসু নুংঙাইবা পাউ নুমিৎ খূদিংগী ফোংবা পাউচেদো য়াওবা ঙন্নবা হোৎনসি। লৈঙাক্না শেল চাবা, মীয়াম মরক্তা হাৎনবা, দ্রগ কারবার তৌবগী ফাবা, পোৎ-চৈ হুরানবগী পাউ, পূন্নমকসি লেপহনবা মথৌ তাই। অনী থোকপসিতগা তোকসি।

# অশোক সিংঘলজী–কর্মযোগী অমা

**দত্তত্রেয় হোসবলে, সরকার্য্যবাহ, রাষ্ট্রিয় স্বয়ংসেবক সংঘ**

ভারতকীদমক্তদি য়ুগ অসি নির্মাণগী মতম্নি। দেশ অপুম্বা অসিনা ইশানা ইশাবু থাজজবগা লোয়নননা অনৌবা ভারত অমা শেম্নবা হোৎনরি। ভারতনা অনৌবা অফবা ৱাখল্লোন্দা চঙশিল্লক্তুনা ভারতকী অশেংবা শক্তম অমা উৎলরি। অসিগুম্বা অহোংবা অসিবু ভারতনা নৌহৌনা মীৎকপ থোক্লকপনি হায়বা য়াই।

মহাপুরুষশিংনা কন্না হোৎনদুনা ভারতপু শকতাকখিবা অমসুং হিন্দু সমাজদা আত্মবিশ্বাস পোকহনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা অশোক সিংঘলগী মমিং অহানবা পঙতীদা লৈ। মহাক্কীদমক শ্রদ্ধা ফোংদোক্লবা সমাজগী থোইদোক হেন্দোকপা মীওইশিংনা অসুন্না ফোংদোক্লম্মী- কনানা মহাক অসি হিন্দু হৃদয় সম্রাতনি হায়, কনানা মহাক অসি রাম জন্মভূমি অনদোলন হৌদোকখিবনি হায়, কনানা হিন্দুবু নৌহৌনা য়াকাইবীরম্বনি হায়, কনানা রাষ্ট্র জাগরণ অভিয়ানগী সেনাপতিনি হায়না শিংথাই। অদুবু অশোকজীগী মশাগী ওইবা পরিচয় ৱাহৈ অমনা হায়বা তারবদি মদুগী ৱাহৈ অদু কর্মযোগী নি।

মহাক ওইজবা থিদনা থবক তৌরম্মী। করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপদা মাই পাক্লবসু মদুগী মহৈ ঈশ্বরদা কখোকই অদুগা মাইপাকপদগী ফংলকপা মিংচৎ মশাদগী থাপ্পা থম্মী। মিংচৎ ফংবা য়ারবা ফাওবদা মদুগী অপাম্বা লৈখিদে। মহাকপু থাগৎপদা মশাদা হৈনিংদবা ফাওই। ইকাইখুম্নবা খুম্নদবা, মাইপাকপা মাইথিবা পুন্নমকসিদগী হেন্দোক্তুনা থবক্কী লমদা চঙশিন্দুনা লৈবা হায়বসি কর্মযোগী অমগী অদুগা অশেংবা স্বয়ংসেবক্কী খুদম্নি, হায়রিবা গুণ পুন্নমক অসি অশোকজীগী পুন্সিদা উবা ফংই।

প্রতিভানা রাষ্ট্রগী থবক্তা কখোকপাঃ

অশোকজী প্রতিভা য়াম্না লৈবা অমসুং বুদ্ধি য়াম্না লৈবা ছাত্রনি। অদুবু মদু মশাগী পুন্সিগী চাওখৎনবগী নত্তে, রাষ্ট্রগী চাওখৎনবগীদমক কখোকখ্রবনি। মহাক মমিং লৈরবা সমাজনা শিংথানবা ইমুংদা পোকখিবনি। মহাক্কী ময়াম্বা অমনা ভারতীয় পুলিস সেবাদা থবক তৌরম্মী, মহাক্না পুলিস মহানিদেশক ফাওবা ওইখি অদুগা অতোপ্পা অমনা উদ্যোগপতি ওইরম্মী। অশোকজীনা বনারস হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়দা বিজ্ঞানগী ছাত্র ওইরম্মী। মহাক্কী পুন্সিদা খুদোংচাবা য়াম্না ফংলম্মী অদুবু মশামক লৈবাক্কীদমক কখোক্লিংবগী অপাম্বা লৈরম্মী। থাঙ্গৈশেংবদি মহাক আধ্যাত্মিক্কী মীওইনি। মহাক্না স্বামী বিবেকানন্দগুম্না মশাগী ওইজবা পুম্বা কখোক্লগা লৈবাক্কীদমক্তা কখোকখ্রবা মীশক্নি। মহাক্কী লাইনিংদি সমাজ অমসুং রাষ্ট্রনি।

**সংঘ সংস্কারনা ওইরকপাঃ**

অশোকজীনা ছাত্র ওইরিঙৈদা রাষ্ট্রীয় স্বয়ংসেবক সংঘগা সম্পর্ক তৌরকখি। মহাক্কী পুন্সিগী অহৌবদা প্রোঃ রাজেন্দ্র সিংহ হায়বদি রজ্জু ভৈয়াগী মার্গদর্শন ফংলকখি। মাননীয় ভাউরাৱ দেৱরসনা মহাকপু শেম্বিরকখি। মহাক্না পুজ্য গুরুজীগী মার্গদর্শনসু তত্তনা ফংলম্মী। কখোকপা, থৱাই য়াওবা, ৱাশক চেৎপা, হৈথোই শিঙ্থোইবা, সংগঠন হৈবা অমসুং মীৎয়েং শানবা হায়রিবা মহাক্কী গুণশিং অসি মহাকপু মার্গদর্শন পীবিখিবা মহাপুরুষশিংগী মমি তাই। ইঞ্জিনিয়ারিংগী শিক্ষা লোয়রগা মহাক সংঘগী প্রচারক থোক্লকখি। মঙোন্দা পীবা দায়িত্ব অদু থৱাই হকচাং য়াওনা পাঙথোকই। অসুন্না হায়নৈ মদুদি মহাক দায়িত্ব অদুগীদমক পোক্লক্লবনি।

**বিরাত হিন্দু সম্মেলন অমসুং বিশ্ব হিন্দু পরিষদকী দায়িত্বঃ**

মহাক্না দিল্লীগী প্রান্ত প্রচারক (মতম অদুদা দিল্লী অমসুং হরিয়ানা পুল্লগা দিল্লী প্রান্ত ওইরম্মী) ওইরিঙৈ মতমদা মীনাক্ষীপুরম ধর্মান্তরগী থৌদোক্না পুরা সমাজ অসিবু চিন্তা তৌহল্লম্মী। হিন্দু সমাজদা থাঙ্গৈশেং না য়াকাইহনবা দরকার লৈরম্মী। মাননীয় অশোকজীদা দিল্লীদা বিরাত হিন্দু সম্মেলন অমা পাঙথোক্লবা দায়িত্ব শিন্নরম্মী। ডাঃ কর্ণ সিংহ য়াওনা সমাজগী তোঙান-তোঙানবা মীওইসিংগা হিন্দু সম্মেলন অদুগী থৌরাং তৌরম্মী। পুজ্য সন্তশিংগী মার্গদর্শন মখাদা সমাজগী তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিং পুল্লগা পাঙথোকখিবা কার্য্যক্রম অদুনা অশোক সিংঘলগী সংগঠনদা হৈশিংবা উৎখি। থৌরম অসিনা সমাজদা ধর্মান্তরগী মায়োক্তা মশা মশাগী মথৌ খঙনরকখি। মদুগী মতুংদা ধর্মিক অমসুং সমাজিক ক্ষেত্রদা থবক তৌনবা বিশ্ব হিন্দু পরিষদকী দায়িত্ব ফংখি। মহাক্না দায়িত্ব অসি থৱাই য়াওনা মপুং ফানা পাঙথোকখি। সমাজগী ফিবম য়েংলগা চিন্তা তৌবা, যোজনা শেম্বা, মদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপা অসি মহাক্কী থবক্কী থোইদোক হেন্দোকপনি।

চপ মান্নবা হিন্দু সমাজ অমা শেমগৎপাঃ

হিন্দু সমাজগী মমাংদা থাইনদগী লৈরক্লবা শোক্ক-শম্ন য়াদবা হায়বা ৱাফম অসি সমাজগী চাওরবা শিংনবা অমনি। অসিগুম্বা শোক্ক-শম্ন য়াদবা হায়বা ৱাফম অসি মুথৎত্রিবা মখৈ চপ মাননবা সমাজ শেমগৎপা ওইথোক্লোই।

অশোকজীনা ৱাফম অসি, পুন্না চামিন্নবা নত্রগা সুপ্নদগী মমিংদা ওইবা থৌরম ওইনা লৌরমদে। মহাক্না পুজ্য সন্তশিংদগী হিন্দু সমাজদা পাওজেল অসি পীনবা হোৎনখি মদুদি শোক্ক-শম্ন য়াদবা হায়বসি হিন্দু ধর্ম্মগী মরু ওইবা আদর্শ নত্তে। মসিগী মহৈ ওইনা সন্তশিংনা শোক্ক-শম্ন য়াদবা মফমদসু প্রবাস তৌবা হৌরে, হিরম অসিদা পাক-শন্না খন্ন নৈনবা হেনগৎলক্লি।

৯ নভেম্বর, ১৯৮৯ দা অযোধ্যাদা রাম জন্মভূনি মন্দিরগী শিলান্যাস থৌরমদা শোক্ক-শম্ন য়াদবা সমাজগী শ্রী কামেশ্বর চৌপালনা মরু ওইবা অতিথি ওইখিবা অদুনা সমাজগী অমতা ওইবগী পাওজেল পীরি। মদুদা পুজ্য সন্ত কয়া আচার্য্য কয়া য়াওখি। মতৌ অসুন্না বনারাসীদা ডোম রাজাগী য়ুমদা সন্তশিংনা চাক চাখিবা সমাজগী অমতা ওইবগী পাওজলগী শরুক অমনি। অসুন্না হোৎনবসিনা হিন্দু সমাজদা থাজবা অমা পোকহন্দুনা সমাজগী খেৎনবা পুন্নমক মুথৎতুনা হিন্দু সমাজ নৌনা য়াকাইহনবা ঙম্লগনি।

**রাম জন্মভূমি অন্দোলন অমসুং অশোকজীঃ**

রাম জন্মভূনি আন্দোলন হৌজিক ওইরিবা ভারত অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সমাজিক ধর্ম্মিক আন্দোলন অমনি। ১৯৮০ দগী ২০১৯ ফাওবগী সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অমদি মন্দির শাবা ফাওবসি মরু ওইবা সমাজগী তাঙকক অমনি। রাম-জানকী রথযাত্রা, শিলা পূজন, চরণ পাদুকা পূজন, রামজ্যোতি অসিনচিংবা থৌরম কয়ামরুমসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা জণজাগরণ তৌহনখি। অসিগুম্বা আন্দোলন অসিদা অশোকজীগী থৌদাং য়াম্না চাওনা লৈখি। ১৯৯০ গী কারসেবা থৌরম অমদি কার্য্যকর্তা কয়াগী বলিদান্না সমাজিক ধর্ম্মিক আন্দোলন অদুগী তঙাই ফদ্রবা ফিরেপ অমা ওইখি। য়াম্না খুদোং থিরবা মতমদসু অশোকজীগী চেৎনা থাজবা অদুনা কারকর্তাসিংদা প্রের্না ওইখি।

**মহাক্কী থাজবাঃ**

সমাজিক ধর্ম্মিক আন্দোলন অসি রামজীগী থবক্নি, রামজী মশামক্না থবক অসি পুরা পাঙথোকপীগনি। মহাক্না হিংলিঙৈদা মন্দির শাবগী থবক লোয়শিনবা ঙমখিদে, অদুবু মহাক্না লুচিংলম্বা আন্দোলন অদুনা চহি কয়া লেপ্তুনা চত্থদুনা লাকপদগী মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা মপুং ফাখি। ৯ নভেম্বর ২০১৯ গী সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ্পা রাম মন্দির সাবগী লম্বী ফাৎখি অদুগা ৫ আগষ্ট ২০২০ দা ভূমি পূজন তৌরগা ২২ জনুৱারী ২০২৪ দা শ্রীরাম ললাগী প্রাণ প্রতিষ্ঠা তৌদুনা ভব্য মন্দির শাদুনা শংগাখ্রে।

**মহাক্কী থবক রাম জন্মভূমি খত্তা নত্তেঃ**

অশোকজী রাম জন্মভূমি আন্দোলনগী লুচিংবা নেতা ওইনা খঙনরবসু মহাক্কী থবকসি য়াম্না য়াম্মী। রামসেতু কনবা, অমরনাথ যাত্রা, গো অনুসন্ধান, গোবংশ সার্বধন, সমাজিক সমরসতা অদুগা তোঙান-তোঙানবা সমাজিক অমদি রাষ্ট্রীয় বিশয়শিংদা জণজাগরণ তৌবা হায়বসিনা মরু ওইবা থবক্নি। মহাক বৈজ্ঞানিক অমা ওইরবসু সমাজগী হিরম খুদিংমক্তা ফজনা খঙবা মীওই অমনি। মহাক অসি সংগঠণদা হৈশিংবা, আধ্যাত্মিক আস্থা লৈবা , রাষ্ট্রভক্তি লৈবা মীওই অমসু ওইরম্মী।

**য়ুগ অসিগী কর্মযোগীঃ**

অশোকজী মী অমা ওইনা থোইদোক হেন্দোকপা মগুণ অমদি করিগুম্বা থবক অমা মাই পাক্লকপদা মদুদা লেপথোকতে। লক্ষ্য অমা ফংবগা অতোপ্পা অমা ফংনবা হোনৈ। মহাক্না সমাজনা থেংনরিবা ফিবম কয়া মায়োক্লবা হোৎনৈ নত্রগা মদু থেংননবা পাম্বৈ থি। মহাক্কীদমক্তদি সংগঠণ অমসুং সমাজনা পাম্বৈনি অদুগা রাষ্ট্রসেবানা উদেশ্যনি। মহাক্না মশাগী ওইবা থবক থাদোক্লগা রাষ্ট্রগী ওইবা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা লেপখি। মহাক মিংচৎ ফংখি অদুবু মদু তোঙান্না থমখি। মহাক্না লুচিংখি অদুবু মিংচত্তি লৌখিদে। মহাক্না লান্থেং কয়া থেংনখি অদুবু মশাগী ওইজবগী নত্তে। অদুনা অশোকজীগী পুন্সি অসি মীওই অমগী পুন্সি নত্তে, কখোকপা, সাধনা, সংগঠণ অমসুং কর্মযোগী অমগী প্রের্নানি। ভারতকী হৌজিক শেমগৎলক্লিবা ফিবম অসিদা মহাপুরুষশিংগী তপ, ত্যাগ অদুগা পুরুষার্থগী যোগদান লৈখিবশিংগী মনুংদা অশোকজী লুচিংবা অমনি। অশোকজীবু শুপ্নতগী রাম জন্মভূমিগী লুচিংবা অমা ওইনা য়েংবসিদি মহাক্কী পাক চাওখ্রবা মিয়েংবু খুজিহনবা ওইনা থোক্কনি। থাঙ্গৈশেংবদি মহাক কর্মযোগী অমনি; লাক্কদৌরিবা মীরোল কয়াদা লেপ্পা লৈতনা প্রের্না পীখিগনি।

**হিন্দি দগী হন্দোকপাঃ থোকচোম দেবচন্দ্র সিংহ**

# মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেম্বদা ওজাগী থৌদাং

**কাংজম হেমন্ত সিংহ, লাংথবাল মন্ত্রিখোং**

মতিং লৈবা খুন্নাই অমগী থৌদাং লৌগদৌরিবা তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা তাকপী তম্বীরিবসি ওজাশিংনি। ওজাশিংগী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। মরমদি লমজিং লমতাকপিবা য়াওদনা কৈদৌঙৈদসু অচুম্বা মায়কৈদা পুরকপা ঙম্লোই। অদুনা মী অমা ওইহনবা হায়বসি লমজিং লমতাকপিরিবা অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। লমতাকপিবনবু ফত্রবদি খুন্নাই অসিনা পুন্নমক মাঙহনখিবসু য়াই। তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিং অসি মতিক চাবা ওইহনবা দরকার ওই। অদু নত্রবদি মহৈরোইশিং অসি শেরান্নবা ৱাখলনা লমজিংদুনা পুখিবসু য়াই। অসুম তৌরবদি করি ওইহৌগনি। নোংম নোংমগী মীথাই মীশিদা অদুমক খুন্নাই অসিগী কাংখুন লৈরোন্নুংদা চঙদুনা মুৎখিবসু তম্বা ঙমদে। ওজা অমগী চেনফম থোকপা মগুন চেনবা মীওইশিংদতা ওজা ওইহন্দুনা তুংগী মীরোলবু অচঙবা অমা ওইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

ওজা খুদিংমক মতিক চারব্রা হায়বদুদি ওইদ্রি। পৈশাগীদমক খল্লগা ওজা ওইরকপা, মদুসু করপসন তৌরগা তৌফম খঙদবদগী মতম লেনবা ওইনা ওজা ওইরকপা, থবক অমা তৌরি হায়বগী ইজ্জৎ অদুগী নাপলদা ওজা ওইরকপা কয়া য়াওরকপদগী ঙসিদি ওজাগী শিনফম অসি লান্না উনরক্কে। মসিগী মরম হায়ববু ত্যুসন চৎত্রবদি চাংয়েং পারিক্ষা কয়াদা মহৈরোইশিংনা মায় পাকপগী চাং খঙনেম নেল্লিবা অসিনি। স্কুলদা পেরিওদ নায়না তাক্লবসু জ্ঞান তাদবদগী লন্নাই ওইনা ত্যুসন তম্বা মমা-মপাশিংনা অঙাংশিংবু থারিবা অসিনি। মসিনা তাকপদি মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু মতিক চাবা মী ওইহন্নিংই হায়বসিনি। অদুনা মরুওইনা শোয়রিবা অসি কনা ওইগনি। ওজাশিংলা নত্রগা ওজা ওইহল্লন্নিবশিং অদুরা অমদি শোয়দনমক্কী পাপ লংশিনবা অমদি তৌরে হায়বসিনি।

ওজাশিংগী মথৌদি তাকপী তম্বীবা অদুখক্তা নত্তে। তাকপী তম্বীরিবা অদু জ্ঞান তাহনবদুনি হেন্না মরু ওইরিবদি। পৈশাখক্তা মীতাদবা, কখোকপগা লোয়নননা ইখা থাবশিংবু ইচানি, ইশুনি, তুংগী জাতিগী য়ুম্বীনি খন্না তাকপী তম্বীদুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎপীরম্বদুনি দরকার ওইরিবসি। ওজা হায়বসি ছাত্রশিংগীদমক্তদি মমানি-মপানি অমদি মীৎনা উবা ঈশ্বরনি হায়নরিবনি। তুংগী জাতিগী অফবা য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবা ছাত্র কয়া অমা শেম্বদা ওজাশিংগী দায়ত্ব য়াম্না চাওই। উপাল অমা হায়বসে মাগী উহৈদুনা মশক তাকই। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মশা মশাগী শিনফম অমমম পায়দুনা হিংনরিবা মীপুম খুদিংমক ওজা গুরু লোয়নরক্তবা কনাসু য়াওরম্লোই। ওজাদুনা মখোং শোমজদুনা শেমজখিবা ছাত্র অদুনা মহয় চারক্লবা মতমদা ওজা অদুগী নুংঙাইবা, অপেনবা, চাওথোকচবা ওইজ রিবনি, মদু শেলনা লৈবা ফংবা নত্তে। অরংবা মঙালনি ওজানা মহৈরোইশিংগী ওইহল্লি ওজানা মহৈরোইশিংবু আতিয়াগী অরংবা থৱানমিচাক্লম, লমজিংবিবনি অমম্বা লম্বীদগী অঙানবা লম্বীদা। অদুবু মকোক মথং তারকখ্রবা মতিক চারে হায়নরিবা মহৈরোইশিংগা উন্নবগী থৌরমদা তুংদা করি ওইনিংঙি হায়বা ৱাহং শিদা ঙসি ফাওবদা ওজা ওইনিংঙি হায়বা ৱাহৈসি ইতা তাদ্রি। অদুনদি ওজাগী থাক অসি য়াম্না নেল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লগদ্রা? অমরোমদা মতিক চাদবা মীওই কয়াশিংনা স্কুলগী মহুৎতা ত্যুসন তম্বদা হেন্না পূক্লিং চঙলক্লিবা অসি।

ঙসিদি এদুকেসন দিপার্টমেন্ট অসি মতিক চাদবা কয়ানা খুদম চনখিবদগীরা খঙদে অচুম্বদগী নাথৈদুনা লৈরিবা অসি। ঙসিগী হৌরক্লিবা ছাত্রশিং ওজাবু উরগা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা খুরুমগদবা মহৈরোইশিংনা ইয়াও য়াওশিল্লক্তরে, থেংনবদা মীৎচি খৎনবা নৎতনা। ওজা অমদি মহৈরোইশিংগী শেংলবা নুংশিনবগী মরী অদুদি উবা ফংদ্রবসু তোপ তোপ্পা নুংশিনবগী মরী অমদি ঙসিসু উবা ফংলি। ইকায় খুম্নবা অদু তোকথোক্লগা উশিংন্দবগী করেম্বগী মরি অমনা মহুৎ শীনবা হৌরক্লি। মসিনদি খুন্নাই অসিদা ইজ্জৎ মাঙশিল্লকপা নত্তনা অতৈ থোয়দোকপা কান্নবা পুরক্কদবা মান্দে। অদুনা পুন্নমক চেকশিনমিন্নবগী মথৌ তারি। মতিক চাবা ওজা খক্তনা মতিক চাবা মহৈরোইশিং পুথোকপা ঙম্মী হায়বসি পুন্নমক্না কাউথোকপা চুম্লোই। নাকল অমরোমদা হ্যুমেন রিসোর্স ফগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা দায়ত্ব লৌরিবা ওজাশিংগী অৱাবা অসিসু উবিবা অমদি চঙলি। মসিগা লোয়নননা কূপ্না শেন্নবা অমদি য়েংশিনবিবা অমসু দরকার ওইরক্লি। ইদুকেসন দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবিদবদগী মপু পান্দবগা পাঙ্খক ওইরি হায়জনিংঙই। থোক থাকক্কী মকোন ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তৌনিংবদা তৌদুনা অচুম অরান মশক খঙদনা শেরান তুরান তৌবা য়াওদবা নত্তে। অদুবদি করপসনগী লমদমনি।

ওজাশিংনা মথৌ তৌবদা ফ্রিলি ৱাখল নুংঙাইনা মমুৎ তানা তৌবা অমসি চঙলি। মসি মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রাক্সচর পীবিবা অমদি চঙলি। ইশাগী লৈতনা কৈদৌঙৈদসু কখোকপদা লম য়ৌগদবা নত্তে। মসিগা ইরোয়ননা ওজা অমদা উৎফম থোকপা থৌগল্লোন অদু উৎপিবা দরকার ওই। লোয়ননা ওজাশিংসু ওজা অমা ওইবগী চপ চাবা মগুন ঙাক্লা চৎপগী তঙায়ফদবসু লৈরি। অহোংবদি য়াম্না ফৈ অদুবু নত্তবা মায়কৈদা ওজাশিংগা চাওরবা থৌদাং অমদি লৈরি হায়বসিনি। অফবা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবদা ওজাশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনহন্নিংঙী। ওজাগী নুমিৎ পালন তৌরিবা অসিগী নুংগী ওইবা ইচেল অদু নাথৈবিবদি অচুম্বা ওইরোই খঞ্জে। অদুনা ওজাগী নুমিৎ লাকপদা মহৈরোয় অমসুং গার্জিয়ানশিংনা ওজাশিংবু ইকায় খুম্নসি। পালন তৌরিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদু খঙনা ওজাশিংনসু হোৎনবিরক্কনি নিংঙৈ।

## তৌথোরকপা থবক্লা তাকচবনি

### লাইরেন য়োক্লবা মপু লাইরেননা য়োৎখিবগী ৱারী তাহন্দবনা ফরোইদ্রা

মী ওইবদা অকিবা ফাওরক্ত্রবা অফবা ওইগন্দে। গভর্ণমেন্ট অমদি লো এন্দ ওর্দরগী মখাদা থবক তৌরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাকপা ঙমশিল্লক্ত্রবা হায়বসি মী কাঙলুপ অদুনা শোয়রিব্রা নৎত্রগা কনানা শোইরিবনো অমদি লৈগনি। খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা মাঙজবনা করিনো অমদি তোংজবনা করিনো য়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবা মতমনি। হৌজিক্কী মতম অসিদা অপঙবা মী লৈত্রে হায়নরিবনি। অদুবু পুন্নমক খঙনা-খঙনা অরানবা থবক লেপ্তুনা চত্থরকপা হায়বসিসু কদাইদনো অমদি শোয়রে হায়না তাকপনি। য়ূম মৈ থারকপা অমদি অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা এটেক্ট চত্থরক্তুনা মী হাৎপগী থৌওং ঙসিসু লেপ্পা লৈত্রি। করম্বা মতমদা ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমগনি হায়বা খঙবা ঙমদে। খরা খজিক হেক ইরাং ফরকপগা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক অমা হেক্তা থোক্লক্কনি। পূন্নমক অসি করম্না, কনানা অমদি করিগীদমক তৌরক্লিবনো হায়বসিসু খঙনরবা ঙাক্তনি। মতমনা অদুমক ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরবদি অমুক্কা হেন্না অৱাবা ফীভম অমদা শোয়দনা লাক্কনি। অকিবা ফাওরক্ত্রবা মীওই, ফুরুপ অমদি শা-ষণশিংগী পোলোয় অফবা ওইদে। অদুমকপু হায়নবা অমসু লৈতবদি নত্তে, মদুদি মী অমদা য়াম্না কা হেন্না কিহল্লনু। কা হেন্না কিহনবদগী অকিবা পূন্নমক মাঙখ্রবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া শোয়দনা থোক্লক্কনি। অদুমকপু মতাং অসিদা লাক্লিংলিবা ৱাফমদি অকি-অখঙ পিফম থোকপা অদুগী চাং য়ৌনা পিরব্রা হায়বসিনি। লাইরেন য়োক্লবা মপু লাইরেননা য়োৎখিবগী ৱারি তাহল্লোইসি। থবক কয়া তৌনিংলবসু পঙতৌদা তৌবা য়ারোই হায়বসিসু য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। সিষ্টেম অমগী মখাদা কাঙলোন চুম্না তৌদবা য়ারোই। ভোট কয়া লাকখিনি, ভোট কয়া তৌখ্রে। লুচিংবা কয়াসু লাকখিনি, লুচিংবা কয়াসু চৎখ্রে। মতমনা কনাবুসু ঙাইবিদে হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। ঐখোয়না খঙগদবদি মানা-মানা তৌফম থোকপা লৌফম থোকপা থৌদাংশিংদি লৌনবা চুমগনি।

লুচিংবা অমনা মীয়াম্না তৌরক্কনি হায়না ঙাইবা অদুগা মীয়াম্না তৌগদবা থবক লুচিংবনা তৌরক্কনি হায়না মীয়াম্না ঙাইদুনা লৈবা, ওফিসর অমনা তৌগদবা থবক চপ্রাসি অমনা তৌগনি খনবা অদুগা চপ্রাসি অদুনা তৌগদবা থবক ওফিসরনা তৌজনি খল্লবদি লৈবাক কাংখোং চাইগনি। ৱাফম অসি য়াম্না অপিকপা অমা ওইরম্বদি য়াই। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লদবদগী ঙসিদি মণিপুরগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি। পূন্নমক্কী থৌদাং য়াম্না চাওই। মীতোপ চঙশিল্লকপদা দ্রাইভর অদুনা শেল খরগীদমক মীতোপ পুদুনা লাকপা অদুগা পুলিসনা অমদি মরি লৈনবশিংনা তঙাইফদবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওদনা শেল খরগীদমক চঙহল্লকপা অমদি ভোট কানবগীদমক মীতোপ কয়া পুশিল্লগা ভোটর লিষ্টতা হাপচিনবগী থৌওং চত্থরগা মতৌ করন্না মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংবা ঙমগদৌরিবনো? লৈবাক অমা, কেন্দ্রা অমা, ওর্গনাইজেসন অমদি ইমুং অমা চাওখৎপা হায়বসি লুচিংবা অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি হায়বসিমদি ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙনা-খঙনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদবা হায়বসি ঐখোয়গী অশোনবনি অমদি অশোয়বা ওইগনি। ইমা লৈবাক নুংশি হায়বসি তৌথোরকপা থবক্লা অদুমক তাকচগদবনি। ইমা লৈবাক নুংশি হায়না লাউবনা য়ারোই। হিংবদা শেল চঙই হায়দুনসু হোস্পিটাল শানবা থাদরকপা শেনফমদগী তঙ্খায় খক শীজিন্নরগা হোস্পিটাল শারবদি অমদি থোং শানবগীদমক থাদরকখিবা শেনফমদগী তঙ্খায় অমনা ফুরিৎ খাউদা চঙলগা তাঙ্খায় অমগী শেনফমনা থোং শারবদি কৈদৌনুংদা থোং অমদি হেস্পিটাল অমা ওইবা ঙল্লোই। পূন্নমক খঙনা-খঙনা তৌনবা ঙাক্তনি, মদুগী মহয়সু ঐখোয়না অদুমক ফংগনি। ষ্টেট অসিদা থাদরকপা প্রোজেক্টশিং মপান লমগী কম্পনিশিংদা থবক শুহল্লি হায়না ঐখোয়না সেন্টরদা শাউবা ৱারৌবনা কান্নরোই। ষ্টেট অসিদা থাদখিবা শেনফম করম্বা মওংদা শীজিন্নে হায়বসি হোত্রোং হোনা উবননি ৱারৌবিগনু। মোরেল, ইন্টিগ্রিটি অমদি সেল্ফ রেস্পেক লৈসি। অপিক-অপিকপা লাইজ ইরিক্লা অচৌবা সমুদ্র, পিক্ল-পিক্ল উফুল মরিক্লা চাউরবা চীংজাউ ওই হায়বসি ঐখোয় কাউদবা চুমগনি।

# মেদিকেল কোলেজ ৩৮৪দগী ৮০০কী মথক্তা হেনগৎতুনা মেদিকেল সিট ৫১,৩৪৮তগী লাক্ষ ১.৪২ য়ৌরে: নদ্দা



বিলাসপুর, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিদা মেদিকেল ইজুকেসন লেপ্তুনা পাকথোক চাওথোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। মতম অমদা লৈবাক অসিদা মেদিকেল কোলেজ ৩৮৪ লৈরম্বা অদু ঙসিদি মেদিকেল কোলেজ ৮০০ হেন্না হেনগৎতুনা অন্দরগ্রেজুয়েট মেদিকেল সিট ৫১,৩৪৮তগী লাক্ষ ১.৪২ সিটতা হেনগৎখ্রে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মধ্য প্রদেশকী বিলাসপুরদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (এ আই আই এম এস)তা পাঙথোকপা অহানবা কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা জে পি নদ্দানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা এ আই আই এম এসকী নেটৱার্ক অসি পাকথোক চাওথোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী কয়া অসি লৈবাক অসিদা এ আই আই এম এস অমাখক্তমক লৈরম্মি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়বা হেক হৌরকপদগী লৈবাক অসিদা মেদিকেল ইজুকেসন অমুক্তা হেন্না মপুং ফাহন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা হেল্থকিয়ার ফেসিলিটি কয়া নৌনা লৈবাক অসিদা পায়খৎলিবা অসি লৈবাক মীয়ামন্না খঙনা উন্নরবা ঙাক্তনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা চহী ১২ অসিদা লৈবাক অসিদা এ আই আই এম এস ইনষ্টিট্যুট ১৬ তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা নৌনা হাংদোকখ্রে। লাক্লিবা চহী ২০২৯ ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক লৈরিবা মেদিকেলগী অন্দর গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী অপূনবা সিট মশিং অসিগী মথক্তা পূন্না সিট ৭৫,০০০ নৌনা হেনগৎনবসু পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বিলাসপুরদা পাঙথোকখিবা এ আই আই এম এসকী অহানবা কনভোকেসনগীথৌরম অদুদা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুর্মুনা হায়, মেদিকেল প্রোফেসনদা লৈরিবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অসি মীওইবগী পুন্সিবু কনবনি। ঙসি নৌনা পাসআউট তৌরিবা মেদিকেলগী মহৈরোইশিংনা মেদিকেল প্রোফেসনগী লৈরিবা ইথিক্স অদু মশক খঙনা লৈবাক মীয়ামদা সার্ভিস পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অসিদা নৎতনা থাপ্লবা খূঙ্গং কয়াদা হেল্থকিয়ারগী অৱাৎপা কয়া মায়োক্নরিবা লাইরবা খূঙ্গংশিংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা খূঙ্গংশিংদা কোয়না চৎতুনা মথৌতাবা অনা লায়েংগী থবক তৌদুনা মীওইবা খুন্নাই অসিবু তিনজং কায়জংবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনগদবনি হায়না এ আই আই এম এস বিলাসপুরগী অহানবা বেজ ওইনা পাসআউট তৌরবা মেদিকেল মহৈরোইশিংদা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুর্মুনা পাউতাক পীখি।

# দিফেন্স ১দি ষ্ট্রেটেজিক মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ইন্দিয়া অমদি য়ু এস ৱারী শানখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা দিফেন্স অমসুং ষ্ট্রেটেজিক কোওপরেসনগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা দিফেন্স সেক্রেটরি রাজেশ কুমার সিংহ অমদি য়ু এসকী কম্মান্দর ওফ পেসিফিক কম্মান্দগী এদমিরেল সেম্যুয়েল পপারোগা ন্যু দিল্লিদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবাক অনিগী মকোকথোংবা হায়রেঙ্কিং ওফিসিয়েল অনিনা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা রিজনেল অমসুং গ্লোবেল দিভলপমেন্ট পূন্না শরুক য়াদুনা মতৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা দিফেন্স অমসুং ষ্ট্রেটেকি কোওপরেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কুপ্না ৱারী শান্নখি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতসু এদমিরেল পপারো অমদি ইন্দিয়াগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিফেন্স চীফশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রে। উন্নবা অদুদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী এম্বেসেদর সারজিও গোরসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা য়ু এসকী এদমিরেল সম্যুয়েল পপারো লৈবাক অদুগী মিলিটরি লুচিংবশিংগী মরক্তা মকোকথোংবা লুচিংবা অমনি। য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দগী কম্মান্দিং ওফিসার ওইদুনা লৈবাক অদুগী মিলিটরি পার্সোন্নেল ৪০০,০০০ হেনবদা কম্মান্দ তৌদুনা য়ু এসকী মশিং য়াম্লবা সিভিলিয়ান কয়া ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা মীওই অমনি। ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রয়বনি।



## Crossword # 1162

Across
1. Brake parts
5. Orchestra instrument
9. "M" or "Mod" follower
14. __-Ball
15. Archer of myth
16. British satire magazine
17. Grip on a weapon
18. Roman writer
19. Display frame
20. Mace?
23. Yuletide drink
24. Carries on
28. Bank statement abbr.
29. It may be beaten
31. Paleozoic, for one
32. Botch
35. Cash, so to speak
36. Writer Kingsley
37. Audience forbearance?
40. Those born in early August
41. Map nos.
42. House or Senate feature
43. HBO alternative
44. Herbie Hancock genre
45. Besides
46. Requires from
48. Common carbohydrate
52. Necklaces?
55. Wine grape
58. Clockmaker Thomas
59. Gown feature, perhaps
60. Sheeplike
61. Spiny-leafed plant
62. French head
63. Irritated
64. "Mary Poppins" actor
65. Celtic language

Down
1. "I don't believe that!"
2. Japanese dog
3. Shoulder muscles, briefly
4. Reserves
5. Make the grade
6. Menotti character
7. "The Godfather" theme composer
8. Yearly shindig
9. Honoree's words
10. Milk quantity
11. French ones
12. Top gun
13. FedEx rival
21. Ecclesiastical rule
22. Photo finish
25. Rest-stop sights
26. An archangel
27. Out
29. Javier __ de Cuéllar
30. Charity
32. Valletta's land
33. Particulars
34. Things in inventory
35. Saxman Stan
36. Feature of lemon juice
38. It's not final
39. Suburban home style
44. Wrote hastily
45. German city
47. French river
48. Pretend
49. Persian Gulf craft
50. Huffs
51. First name in cosmetics
53. Part of Caesar's boast
54. Bank (on)
55. Personal slant: Abbr.
56. "__ had it!"
57. Disallow

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# লৈঙাক্লা এয়ারলাইন্স অমদি ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিংগা ৱারী শান্নবগী থবক চথরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা এভিয়েসন টর্বাইন ফুয়েল (এ টি এফ) কী মমল ৱাংখৎলক্তুনা প্লেন তোংবগী অতোংমন হান্নগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক ৱাংখৎলক্তুনা লৈবাক মীয়ামদা পীরিবা চৈথেংশিং অসিবু কোকহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা এয়ারলাইন্স অমদি ওইল মার্কেটিং কম্পেনি (ও এম সি)শিংগা ৱারী শান্নবগী থবক চথরি হায়না য়ুনিয়ন সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর রাম মোহন নাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

আর কিয়ু এফ এম সিম্পোজিম ২০২৬ থৌরম শরুক য়ারদুনা য়ুনিয়ন সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর রাম মোহন নাইদুনা পাউমীশিংগা অখন্নবা ওইনা উন্নবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পাউমীশিংদা রাম মোহন নাইদুনা মখা তানা হায়, ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসিনা এ টি এফকী মমল হেনগৎলকপা অসিনা এভিয়েসন সেক্টরশিংদসু অৱাবা চৈথেং কয়া মায়োক্লরি। অদুবু ঙক্লিবদি ৱেষ্ট এসিয়াদা ঈরাং থোক্লগা এ টি এফকী মমল হেনগৎলক্লিবা অসি মতৌ করম্ননো হায়বা অসি ৱাহং হংনিংঙাই অমনি।

হিরম অসিগী মতাংদা এয়রলাইন্স অমসুং ও এম সি শিংগা লৈঙাক্কী মায়হকদগী লেপ্তুনা ৱারী শান্নবগী থবক চথরি। ৱারী শান্নবা অসিদা নাকল ৩গী মরক্তা করি অনৌবা দিভলপমেন্ট অমা লাক্কদগে হায়বা অদুদি য়েংখিবা তাই হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী অচৌবা এয়ারলাইন্স কম্পেনি অমা ওইরিবা ইন্দিগোগী মায়কৈদগী ঙসিদগী হৌদুনা প্লেন তোংবগী অতোংমন নৌনা লেপখিবা অদুনা লৈবাক মীয়ামদা চরাংনবা থোক্লিহঙৈ চৈরক অসিদা য়ুনিয়ন সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর রাম মোহন নাইদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিগোগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা থা খুদিংগী প্লেনগী থাও লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। চাদা ১৪ য়ৌনা হেনগৎলক্লিবা থাওগী মমল অসি হৌখিবা চহীশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি।

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
SECRETARIAT

/ NOTIFICATION

*Imphal, the 5th October, 2026.*

No.01/02(05)/2026-LA(E): In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 29/09/2026, it is informed to all the candidates who have applied for the posts of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the new revised dates for issue of **Admit Cards (Online mode only)** is hereby listed in the table below:

| Particulars | Dates notified earlier | Revised dates |
|---|---|---|
| *Issue of Admit Cards (Online mode only)* | *Midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 24/10/2026* | ***Midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 23/10/2026*** |

The schedules for issue of admit cards (Physical mode) along with the date(s), time and venues for the Written Test, remain unchanged.

Sd/-
**G. Tapankumar Sharma**
**Addl. Secretary, (Admn.)**
**Manipur Legislative Assembly**

SL/Ath/6,7,8




# ওপোজিসন পার্টিগী এম পি ৩০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা ই সি আইগী চীফ কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার ফম থাদোকউ হায়না খোঙজং চংশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া ব্লোককী মশিং য়াম্লবা এম পি ৩০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা মশিং য়াম্লবা মীয়ামগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার ফম থাদোক্কদবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী কমপ্লেক্সতা থোমজিনদুনা অকনবা মওংদা খোঙজং চংশিনখ্রে।

ইন্দিয়া ব্লেককী লৈরিবা এম পি অয়াম্বনা শরুক য়াবা, ইন্দিয়ান য়ুথ কোংগ্রেস অমদি এন এস য়ু আইগী মশিং য়াম্লবা ৱার্কর কয়ানা শরুক য়াদুনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার মফম লৌথোক্কদবনি। জ্ঞানেস কুমারনা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিনা মীয়ামদা পীবা ভোটিং রাইট মৎপগী থৌওং চথরে হায়বনচিংবা তোঙানবা স্লোগান কয়া লাউদুনা খোঙজং চংশিনখি।

ইন্দিয়া য়ুথ কোংগ্রেস অমসুং এন এস য়ু আইগী ৱার্কর কয়ানা অকাসবানি ভৱনদা চংশিনদুনা খোঙজং চংশিল্লকপদা মফম অদুদা ঙাক শেনবগী মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখি। মফম অদুদা অয়াবা য়াওদনা মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা চংশিন্দুনা খোঙজং চংশিনবা হায়বা অসি ইলিগেল ওইবা থৌওংনি হায়না সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা খঙহল্লবসু মখা তানা খোঙজংলোইশিং অদুনা অকাসবানি ভৱনগী কমপ্লেক্স থাদোক্তনা লৈবদগী ভারতিয়া নাগরিক সুরকসা সনহিতা (বি এন এস এস)কী সেক্সন ১৬৩গী মখাদা খোঙজংলোই কয়া সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা নমদুনা ফাজিনবগী থৌওং কয়াসু মীয়াম্না সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা উবা ফংনখি।

মশিং য়াম্লবা খোঙজংলোই কয়াবু সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা ফাজিনখিবা অদুগী মতাংদা খোঙজং অদুদা শরুক য়াবা লোক সভাগী লিদর ওফ দ ওপোজিসন রাহুল গান্ধীনা ওপোজিসন পার্টিগী এম পি ৩০০ হেনবনা পার্লিয়ামেন্টতগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফিস তন্না চৎতুনা ইলেক্সন কমিস্নার উন্ননবা হোৎনখি। ওপোজিসন পার্টিগী এম পিশিং অসি লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর কয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবনি। লৈবাক মীয়ামবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা ওপোজিসন পার্টিগী এম পিশিংগা ইলেক্সন কমিস্নারগী মায়কৈদগী উন্নদ্রিবা করিগীনো। করিগীদমক্তা মখোয়বু পুলিসনা থিংদুনা কিহন খঙহনবগী থবক চথরিবনো হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা পুলিসনা মশিং য়াম্লবা খোঙজংলোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুবু থিংনবা হোৎনবদা শিজিন্নখিবা বেরিকেদশিং অদু কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা রাহুল গান্ধী, প্রিয়াঙ্কা গান্ধী অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী সেনিয়ার ওইরবা এম পি কয়ানা নমখায়দুনা মখা তানা খোঙজং চংশিন্নবা হোৎনখিবা অদুনা মরম ওইরগা পুলিস অমদি খোঙজংলোইশিংগী মরক্তা য়াম্না চাওনা অকনবা মওংদা মুক্নখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মকোকথোংবা লুচিংবা পৱন খেরানা পাউমীশিংদা হায়, মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙজং চংশিল্লিবা মফম অসিদগী ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিস অসি য়াম্না নকপা মফম অমদা লৈরিবনি। লিদর ওফ দ ওপোজিসন য়াওনা ইলেক্সন ওফিস তন্না চংশিন্দুনা চীফ ইলেক্সন কমিস্নারগা উন্ননবা হোৎনবদা করিগীদমক্তা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা অথিংবা পীরিবনো। ওপোজিসন লিদর রাহুল গান্ধীগী মায়কৈদগী সুস্নতগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফিসতা চৎতুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্নবা থৌরাং তৌখিবনি।

অদুবু সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা রাহুল গান্ধীবু থিংদুনা মেমোরেন্দম পিশিনহন্দনা থল্লিবা থৌওং অসিনা তাকপদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি কিরে হায়না তাকপনি হায়নসু পৱান খেরানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# জ্ঞানেস কুমার ই সি আইগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ওইবদা মতিক চাদে

কোজিকোরে, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ইলেক্টোরেল রোলগা মরীলৈননা লৈবাক অসিদা চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈরিবা ইলেক্সন প্রোসেস অসি নমশিন্দুনা থন্নবা চথবা থৌওংনি হায়রদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ওইবদা জ্ঞানেস কুমার মতিক চাদ্রে হায়না কেরলাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিজয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

কেরলাগী কোজিকোরে দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা সি পি আই (এম)গী কম্মিটিগী মীফমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ী বিজয়ননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সি পি আই (এম)গী কম্মিটিগী ওইবা মীফম অদুদা বিজয়ননা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া অসি মশাগী মথৌ মশক খঙনা নিয়ম চুম্না পাঙথোক্লিব্রা হায়বা ৱাফম অসি চাওনা হংনিংঙাই অমা ওইরক্লে।

ই সি আইনা চথরিবা থবক থৌওং কয়া অসি লৈবাক মীয়াম্না নোংমা নোংমগী চিংনবা হেনগৎলক্লে। অনৌবা ইলেক্টোরেল রোল ফোঙনবগী পান্দমদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মথৌ তাদবা থবক থৌরম কয়া স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজনদা চথরে হায়নসু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু মরাল শীখি।

ই সি আইগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ওইরিবা জ্ঞানেস কুমারনা দেমোক্রেসিনা পীবা মশাগী মতৌ মশক খঙনা পাঙথোকত্রে। মহাক্না চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ওইদুনা বি জে পিগী পেরেন্ট বোদি অমা ওইরিবা রাষ্ট্রিয়া স্বয়ম সেবক (অর এস এস)কী অপান্বগী মতুং ইন্না থবক তৌদুনা লৈরে হায়নসু জ্ঞানেস কুমারবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

**সনা–সুদোকু–১১০০গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 4 | 2 | 6 | 9 | 3 | 7 | 5 |
| 5 | 2 | 9 | 4 | 3 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 6 | 7 | 3 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 | 9 |
| 7 | 3 | 8 | 6 | 9 | 1 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 5 | 1 | 3 | 7 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 2 | 9 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 1 | 3 |
| 3 | 1 | 2 | 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 5 | 1 | 2 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 8 | 6 | 7 | 9 | 5 | 3 | 1 | 2 | 4 |

# স্কুল এসেমব্লিদা প্রিএম্বল শক শোন্নবা থারকপা পি আই এল রিজেক তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংগী এসেমব্লিদা মহৈরোইশিংনা কনষ্টিট্যুসনগীলৈরিবা প্রিএম্বলশিং অদু শক শোন্নবা থারকখিবা পি আই এল সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক তৌখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস বিক্রম নাথ, সন্দিপ মেহতা অমসুং ওগষ্টাইন জিওস মাসিয়াগী বেঞ্চ অমনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা কনষ্টিট্যুসনগী প্রিএম্বল অদু হান্নना স্কুলশিংগী করিকুলমদা য়াওদুনা লৈরি। ক্লাস ৬ তল্লিবা মহৈরোইশিংদগী হৌদুনা মখোয়গী করিকুলমশিংদা প্রিএম্বলবু চেপ্টর অমা ওইনা হাপ্তুনা তাকপী তম্বিবগী থবক মাঙজৌননা চথখিবা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা পি আই এল অদু সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা রিজেক তৌখিবনি।

# রেপ কেস পানগনি কিহন্দুনা শেল লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা নুপী অমা ফাখ্রে



গুরুগ্রাম, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

রেপ কেস পানগনি হায়জিন্দুনা নুপা অমবু কিহন খঙহন্দুনা য়াম্লবা লুপা কয়াগী শেনফম লৌথোক্লবা হোৎনরম্বী মশাগী চহী ২৪ শুরবী নুপী অমা গুরুগ্রাম পুলিসনা ফাখ্রে।

গুরুগ্রাম পুলিসকী মতুং ইন্না শেঙ্গাও পায়বা লল্লোন ইতিক তৌবা নুপা অমবু দেটিং এপ্পতা খঙনরবা মতুং নুপা অদুগী মথক্তা শাশিন্নবা রেপ কেস পানগনি হায়না কিহন্দুনা লুপা লাক্ষ ৯০ লৌথোক্লবা হোৎনরম্বী নুপী অদু ভিক্টিম নুপা অদুগা হোটেলদা উন্নদুনা লুপা ৫০,০০০ হকথেংননা লৌরিঙৈ তাঙ্কক্তা পুলিসনা ফাবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBC & SC**
**1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Lines, Imphal**

/ NOTIFICATION

*Imphal, the 1st October, 2026*

No.4/6/2025-26/NSP-SCHO :/195 In continuation of this office Notification of even No. dated 2nd June, 2026 it is, hereby, informed to all concerned that online registration for SC (Pre & Post Matric) and OBC (Pre & Post Matric) Scholarship Schemes for students belonging to the notified SC and OBC Community for the year 2026-2027 have been extended on National Scholarship Portal (NSP) as per the timelines given below:

<table>
<tr><th rowspan="2">Sl. No.</th><th rowspan="2">Scholarship Scheme</th><th rowspan="2">Online Registration Closing Date</th><th colspan="2">Last date for online verification on NSP</th></tr>
<tr><th>Institute Level (L1)</th><th>State Nodal Officer (L2)</th></tr>
<tr><td>i</td><td>Centrally Sponsored Post Matric Scholarship for SC Students Manipur</td><td rowspan="4">31-10-2026</td><td rowspan="4">15-11-2026</td><td rowspan="4">30-11-2026</td></tr>
<tr><td>ii</td><td>Centrally Sponsored Pre-Matric Scholarship for SC Students Studying in Class IX and X Manipur</td></tr>
<tr><td>iii</td><td>PM-YASASVI Post Matric Scholarship for OBC Students Manipur</td></tr>
<tr><td>iv</td><td>PM-YASASVI Post Matric Scholarship for OBC Students (Class IX and X) Manipur</td></tr>
</table>

2. Other terms and conditions as per the previous notification will remain the same. For further details, Scheme Officer (OBC & SC Scholarship) may be contacted during office hours only or call helpline number +919366212873.

Sd/-
(Dr. Yumnam Suraj Singh)
Director (OBC & SC), Manipur

SL/DIPR/07

# সাউদিনা শৌগৎপা য়েমেনগী ফোর্সশিংনা মরুওইবা মফম কয়াদগী হৌথিশিং তান্থোকখ্রে




সানা, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

য়েমেনগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র তোর্ব্বান লমদমদা খূৎথোক্লবা কনখৎলকখিবগা হৌথিশিংনা সাউদি ওইল ফেসিলিটিশিং, এয়ারপোর্টশিং অমসুং মিলিটরি বেজশিংদা এটেকশিং তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা য়েমেনদা লান্থেংনরিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসনগী ফোর্সশিংনসু ইরাননা শৌগৎপা হৌথি রিভেলশিংগী খূৎতগী মরুওইরবা বাব এল-মনদেব ষ্ট্রেটকী অকোয়বদা লৈবা মফম কয়ামরুম অমুক হন্না পায়শিল্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়েমেনি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্ট অদুগা পূন্না ফোর্সশিং অদুনা সিবু গল্ফ ওফ এদেনগা শন্নহল্লিবা মরুওইবা জহাজ লম্বী অমগী হেক অৱাংদা লৈবা ধুবাম টাউন অমুক হন্না লৌশিনখ্রে।

মখোয়না বাব অমসুং হাদেইদ টাউনশিং সু পায়শিনখ্রে। নাকন অমরোমদা হৌথিজ গী মিলিটরি ৱাঙাংলোই ব্রিগেদিয়ার জেনরেল য়াহিয়া সারিনা সাউদি কোনুং রিয়াধদা কিং খালিদ ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট অমসুং রাবিঘ রেদ সি সিটিদা লৈবা ওইল রিফাইনরি অমদা টার্গেট তৌবদা মখোয়না বালিষ্টিক অমসুং ক্রুজ মিসাইলশিং অমসুং দ্রোনশিং শিজিন্নখি হায়না হান্না রেকোর্দ তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

খামিজ মুসাইদতা লৈবা মিলিটরি ফেসিলিটিশিং, আভা এয়ারপোর্ট অমসুং নজরান অমসুং জিজান সিটিশিংদা অতৈ মরুওইবা সাইটশিংদসু এটেক তৌখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন ৱাঙাংলোই মেজর জেনরেল টর্কি অল-মালকিনা লানগী প্লেন ১০০ না গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা শৌগৎপা পীখি হায়খি। য়েমেনগী মিলিটরিনা এটেক ১,০০০ হেন্না চথুখি অমসুং হৌথিনা পায়বা কোনুং সানাগী মথক্তা এটেক অমা হৌখ্রে হায়খি। কোলিসননা বাব এল -মান্দেব ষ্ট্রেটকী এয়ার প্রোটেক্সন পীখ্রে অমসুং হৌথি টার্গেট চা কয়া থুগায়খ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

মরকসিদা পাকিস্থান অমসুং টর্কিগী ফোরেন অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী দিফেন্স এগ্রীমেন্ট মখাদা কিংদম অদুদা মিলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌনবা সাউদি অরাবিয়াগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ান্নখ্রে।

লৈবাক ৩ অদুনা মক্কা অমসুং মেদিনা, লোয়ননা সাউদি সিটিশিং, সিভিলিয়ান অমসুং ইকোনোমিক ফেসিলিটিশিংগী মথক্তা মখা তাবা এটেকশিং তৌরকপবু কন্দেম তৌখ্রে।

সাউদিনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট অদুনা মখোয়না গভর্ণমেন্টনা পায়বা মফমশিংদা ট্রুপশিং মোবিলাইজ তৌরে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খি।

লৈঙাক পায়রিবা প্রসিদেন্সিয়েল লিদরসিপ কাউন্সিলগী মকোক রসাদ অল-আলিমিনা টেলিভিজনদা পীবা ৱারোল অমদা ওপরেসনশিং অদু হৌথিজনা পায়রিবা লৈহৌরিবা তেরিটোরিশিং অমুক হন্না লৌশিন্নবা পান্দমনি হায়খি। মহাক্না ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা মাগী গভর্ণমেন্টতা শৌগৎনবা আপিল তৌখি।

# জেরুসালেম কোন্সুলেট থিংজিল্লবদি বৃটেননা ইজরেলি দিপ্লোমেটশিং তান্থোরকপা য়াই: রিপোর্ট

লন্দন, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিং টার্গেট তৌবা সেঙ্কসনশিংগী মতাং দা খৎনরকখিবা অমদা করিগুম্বা ইজরেলনা চয়োল অসিদা ইষ্ট জেরুসালেমদা লৈরিবা বৃটিশ কোন্সুলেট অদু থেংজিন্নবা মখোয়গী ওর্দর পাঙথোক্লকপা তারবদি বৃটেননসু ইজরেলগী দিপ্লোমেটশিং তান্থোক্লবা য়ারি হায়না লিখুল ৪না ফোঙদোকখ্রে।



ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ইজরেলগী সেটলমেন্টশিংদা শাবা পোৎ-চৈগী লল্লোন ইতিক্তা অথিংবা অমা থমগনি হায়না বৃটেননা হায়খিবা মতুং সেপ্টেম্বর ৮-দা ইজরেলনা বৃটেনদা ইষ্ট জেরুসালেম কোন্সুলেট অদু নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা থিংজিন্নবা অমসুং সিটি অদুদগী মখোয়গী দিপ্লোমেটশিং লৌথোক্লবা ওর্দর তৌখিবনি।

কোন্সুলেট থিংজিন্নবগী বৃটেনগীদমক নুমিৎ ৩০নিগী অরোইবা মতম অদু শগোলশেল নুমিৎতা লোইরে। মদুনা মফম অদুদা থবক তৌরিবা বৃটিশ দিপ্লোমেট ৩০ রোম অদু মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা শোকহল্লগনি হায়না লিখুনশিং অদুনা হায়খি।

করিগুম্বা কোন্সুলেট অদু থিংজিনবা তারবদি বৃটেননা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ইজরেলগী এম্বেসিদগী মশিং চপ মান্নবা ইজরেলি দিপ্লোমেটশিং তান্থোক্তুনা পাউখুম পীরবা য়াই হায়না লিখুলশিং অদুনা মখোয়গী মশক মমিং ফোঙদোক্তনা হায়খি।

কোন্সুলেট অদু থিংজিনবা তারবদি বৃটেননা কয়ামুক থুনা থবক অদু পায়খৎকনি হায়বদু লিখুনশিং অদুনা হায়খিদে। বৃটেননা সেঙ্কসনশিং অদু লাউথোকখিবা মতুং ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্টর গিদিয়োন সারনা লন্দনবু থা অসিগী ইজরেলি জেনরেল ইলেক্সনদা খূৎ থিংজিনবগী মরাল শীখি।

বৃটেননা হৌখিবা চহীদা ষ্টেট ওফ পেলেষ্টাইন অদু রিকগনাইজ তৌখি। ইজরেলি গভর্ণমেন্টনা ঙাক্লৌ পীবা সেটলমেন্টশিং পাকথোক চাওথোক্লবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলে অমসুং মদুনা ৱেষ্টবেঙ্কতা লৈরিবা পেলেষ্টিনিয়ানশিং দা সেটলরশিংনা এটেক তৌবা হেনগৎহল্লে হায়খি।

বৃটিশ সেঙ্কসনশিং অদু মথং চহীদগী চৎনবা হৌগদবনি। ফ্রান্স অমসুং কানাদানসু সেঙ্কসনশিং লাউথোকখ্রে। ইজরেলনা পেরিস নৎত্রগা ওটাৱাগী মথক্তা থবক লৌকৎলকখিদ্রি।

# মীওই ১৩ হাৎখিবা য়ু এস ডোক্টর ফায়ারিং স্কৱাদনা হাৎনবা ট্রম্পনা ওর্দর তৌখ্রে

ৱাসিংটন, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

মুস্লিম ৱার্ল্ডদা য়ু এস ৱরশিংগীদমক লমন খুম্বনি হায়না গনমেন অদুনা কোন্না ফোঙদোকখিবা ২০০৯ দা পাক্তননা নোংমৈ কাপ্পা অমদা টেক্সাসকী ফোর্ট হুদতা মীওই ১৩ হাৎখিবা হান্নগী য়ু এস আর্মি সাইকিয়াট্রি অদু একজিক্যুট তৌনবা ফয়ারিং স্কৱাদ অমা শিজিন্নবা য়ু এস প্রসিসেদন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ওর্দর তৌখ্রে হায়না পেন্টাগোননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মি ফয়ারিং স্কৱাদনা হান্নগী য়ু এস আর্মি মেজর নিদার হাসননা হাৎনবা দিফেন্স সেক্রেটরি হেগসেথকী রিকোমেন্দেসনদা ট্রম্পনা অয়াবা পীখ্রে হায়না এক্সতা পেন্টাগোন ৱাঙাং লোইনা হায়খি।

খূৎলাই পায়দবা এক্টিব দ্যুটি লান্মী ১২ অমসুং রিটয়ার সার্ভিসমেন অমা হাৎখিবা অমসুং অতৈ ৩২ শোকহনখিবা এটেক অদুদা হাসননা গোদ ইজ গ্রেটেষ্ট-অল্লাহু আকবর হায়না অরাবিকতা লাউখি।

পাক চাওরবা সেন্ট্রেল টেক্সাস মিলিটরি বেজ দা লৈবা মেদিকেল ফেসিলিটি অমদা লেজর-গাইদেদ হেন্দগন অমনা কাপ্পগীদমক মিলিটরি জুরি অমনা হাসনবু মরাল ফংলবা তুংদা ওগষ্ট ২০১৩দা শিবগী চৈরাক পীনবা রাই তাখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু হৌজিক মশাগী চহী ৫৬ শুরবা হাসনবু অফগানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌগদবগী চয়োল খরগী মমাঙদা থোকখিবনি।

# ফ্রান্সনা ন্যুক্লিয়ার-কেপেবল মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েংখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি):

ফ্রান্সকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা রসিয়াগা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ ন্যুক্লিয়াগী তৌবা ঙম্বা উৎতুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নৌবা জেনরেসন এম ৫১.৩ সবমেরিন-লোঞ্চ বালিষ্টিক মিসাইলগী অহানবা চাংয়েং কাপ্তুনা মায়পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



অদুগীদমক মদু মখোল হৌনা অমসুং ময়েক শেংনা থাখ্রে হায়খি।

প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়েল মেক্রোননা মিসাইল চাংয়েং কাপ্পা অদু মহাক্লায়েংবা উৎপা এক্সতা ভিদিও অমদা ঙসি ঐখোয় হেন্না কল্লে, মেসেজ অদু শোয়দনা ফঙ্গদবা মফম

ফ্রান্সনা মখোয়গী সবমেরিন অমসুং এয়ার-লোঞ্চ ৱিপন ২৯০-মালেমগী ৪শুবা খ্বাইদগী চাওবা আর্সেনেল অদু মেন্টেন তৌনবা চহী অমদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.০৪ রোম খরচ তৌই।

বৃটেনগী ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ২২৫ লৈ, রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অমমমনা ৫০০০ হেন্না লৈ। এম ৫১.৩ অসি ফ্রান্সকী ন্যুক্লিয়ার দিটরেন্টকী মোদর্নাইজেসনগী শরুক ওইনা ওক্টোবর ২০২৫তা সার্ভিসতা চংখিবা মিসাইল অদুগী খ্বাইদগী নৌবা মওংনি। পেরিসনা এম ৫১.৩গী রেঞ্জ অদু ফোঙদোকখিদে।

এম ৫১ ফেমিলিগীদমক মীয়ান্না ফংবা এষ্টিমেটশিংনা মসিগী রেঞ্জ অদু কিলোমিটর ৯০০০ নৎত্রগা হেনবা য়াই হায়না লৌনৈ।

ফ্রেঞ্চ ওফিসিয়েলশিংনা অনৌবা মিসাইল অসিনা মদুদগী হেন্না লাপ্পা চৎপা ঙম্মি হায়খি।

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
KEIRAO BITRA, IMPHAL EAST : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 202/SDC/KBT, *Dated the 15/09/2026*

Keisham Manglemba Singh S/O Late Keisham Ibobi Singh of Chanam Sandrok Makha Leikai. .....*Petitioner*

-Versus-

Late Shandram (N) Keisham (O) Ibeton Devi W/O Late Ibobi Singh of Chanam Sandrok. ...*Opposite Party/Parties*

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Keirao Bitra, the *15/09/2026*

Under Section-46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No. 26 (অরিবা) 472/684 (অনৌবা) গী Village No. 53-Bashikhongba, C.S. Dag No. 1379/1445 an area of 0.62 acres of Phourel Class লম অসিগী Pattadar Ibetombi Devi অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা মমাগী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা application থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C Keirao Bitra Court অসিনা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Keirao Bitra,
Imphal East, Manipur

SL/Jeena/07

---

## MARKSHEET LOST

I have lost my Marksheet of (i) High School Leaving Certificate Examination 2022 Bearing Roll No. 43548, (ii) Higher Secondary Examination 2024 Conducted by COHSEM 2024 bearing Roll No. 10664, (iii) 1st Semester 2024, 3rd Semister 2025 and 5th Semister 2020 of History (Honors) of DMU bearng Roll No. 2410475 on the way from Thangmeiband to DM University Campus on 2nd October 2026.

Finders are requested to handover the above Marksheets to the undersigned.

*Sd /-*
Maibam Denish Singh
Thangmeiband Polem Leikai
Imphal West Distrct, Manipur
# 9856344617

*SL/*Subas/07

---

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 369 of SDC/Heing(IE) of 2026*

Ngathem Sapana Devi W/O (L) Ng. Rameshwar Singh of Koirengei Bazar Achanbeigei .

***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Ngathem Rameshwar Singh S/O Shamu Singh of Koirengei. ***-O. P.***

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ/**NOTICE**

*Heingang, Dated 06/10/2025*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : ৪-অচানবিগৈ দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং:-- অনৌবা পাট্টা নং ১০৫৫/২৩৪৩ দাগ নং ১৮৫৩/১৯২০& ৯৭১/১৬৭৫, এরিয়া (০.০১+০.০১২)=০.০২২ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিগী লোয়নবী অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা পল্লগনি।

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/----

---

## CORRIGENDUM
### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 503/SDC/IW(C)-I dated, 06/07/2026

1) Pukhrambam Mema Devi, W/O P. Bijoy Singh of Sagolband Thangjam Leirak.
2) Pukhrambam Mahabir Singh, S/O P. Bijoy Meetei of Sagolband Thangjam Leirak.
3) Pukhrambam Panthoibi Devi, D/O P. Bijoy Meetei of Sagolband Thangjam Leirak.
4) Pukhrambam (O) Usharani Devi, W/O Pukhrambam Banbir Singh of Sagolband Thangjam Leirak.
5) Pukhrambam Sanathoibi Devi, W/O Angom Guneshor Singh of Uripok Gopalaji Leirak.
6) Pukhrambam Raghubir Meitei, S/O, P. Bijoy Meetei of Sagolband Thangjam Leirak. -Petitioners

-Vs-

1. (Late) Pukhrambam Bijoy Singh, S/O Jhulon Singh of Sagolband Thangjam Leirak.
2. (Late) Pukhrambam Udoibir Meetei, S/O Bijoy Singh of Sagolband Thangjam Leirak. O.P. (s)

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Lamphel, the 6th August, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Pukhrambam Bijoy Singh, S/O Jhulon Singh of Sagolband Thangjam Leirak and Co-Pattadar No. 2 Pukhrambam Udoibir Meetei, S/O Bijoy Singh of Sagolband Thangjam Leirak গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর **85-Sagolband**, অরিবা পাট্টা নম্বর **995, 2170 (O)** অনৌবা পট্টা নং **1430 (N)** দাগ নং **8037** অমসুং এরিয়া **0.0370** হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner শিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/07

---

## In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 250/SDC/IW(S) Dated 06/10/2026*

Sanabam Brojen Singh S/O (L) Mani Singh of Ngairangbam Mamang Awang Leikai. -Petitioner

-VS-

Late Konthoujam (N) Sanabam (o) Yaimabi Devi W/O (L) Mani Singh of Ngairangbam Mamang Leikai. -Opposition Party

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

*Salam, the 6th, Oct, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না Salam তাহশিলগী খুল নং 78-Ngairangbam গী অনৌবা পাট্টা নং **10** (New) দাগ নং **2052** এরিয়া **0.74** একর চাওবা *ফৌরেল লৌফম* অসিগী পাট্টাদার Konthoujam (N) Sanabam (o) Yaimabi Devi পীং (L) Mani Singh সাং Ngairangbam Mamang Leikai অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ফৌরেল লৌফম* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/Mei/07

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

*Ref. :- Mutation Case No. 344/SDC/W(N) Sekmai Dated 14/09/2026*

Yumlembam Jayenti Devi W/O Ngangbam Mohendro Singh of Khurukhul Makha Leikai. -Petitioner

**-VS-**

Late Ngangbam Mohen Singh S/O Ura Singh of Khurukhul Makha Leikai. -Opposition Party

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

*Salam, the 6th, Oct, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Sekmai তাহশিলগী খুল নং **40-Senjam Khunou** গী অনৌবা পাট্টা নং **568 (old), 311** (New) দাগ নং **1418 (sheet No. 2)** এরিয়া **1.40** একর চাওবা *ফৌরেল লৌফম* অসিগী পাট্টাদার **Ngangbam Mohen Singh** পীং **Ura Singh** সাং **Khurukhul Makha Leikai** অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ফৌরেল লৌফম* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (N) Sekmai

SL/Mei/07

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 698/SDC/IW(C)-I dated, 05/10/2026

Pangambam Baby, W/O (L) R.K. Karnajit Singh of Thangmeiband Kabram Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) R.K. Karnajit Singh, S/O R.K. Chandrakumar Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai. O.P. (s)

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Lamphel, the 6th October, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা R.K. Karnajit Singh, S/O R.K. Chandrakumar Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband, অরিবা পাট্টা নম্বর 280 (O) অনৌবা পট্টা নং 529 (N) দাগ নং 6176 অমসুং এরিয়া 0.00330 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুং দা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Sus/07

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 697/SDC/IW(C)-I dated, 05/10/2026

1) Pangambam Baby, W/O (L) R.K. Karnajit Singh of Thagmeiband Kabrabam Leikai.
2) Lamjinganba R. K. (Minor), S/O (L) R. K. Karnajit Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai.
3) Lamjingkhomba R.K. (Minor), S/O (L) R.K. Karnajit Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai. -Petitioners

-Vs-

(Late) R.K. Karnajit Singh, S/O R.K. Chandrakumar Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai. O.P. (s)

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Lamphel, the 6th October, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা R.K. Karnajit Singh, S/O R.K. Chandrakumar Singh of Thangmeiband Kabrabam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband, অরিবা পাট্টা নম্বর 564, 367 (O) অনৌবা পট্টা নং 1276 (N) দাগ নং 6180 অমসুং এরিয়া 0.0396 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner শিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Sus/07

---

## IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, BISHNUPUR, MANIPUR
**ORIGINAL SUIT (GUARDIAN) CASE NO. 2 OF 2025**

**Keisham Piyokumar Meitei**

**……Petitioner**

**-VERSUS-**

1. Smt. Keisham Ongbi Sinam Ningol Ibecha Devi, aged about 48 years, D/O Sinam Amuba Singh and W/O Keisham Herachandra Singh, now residing at Ngaikhong Shiphai Mamang Leikai, P.O. & P.S.-Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.
2. Shri. Keisham Manisana Singh, aged about 45 years, S/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.
3. Smt. Keisham Ningol Meipakpi Devi, aged about 55 years, D/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126 and
4. Smt. Keisham Ningol Dhanapati Devi, aged about 47 years, D/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.

**……Respondents**

**SUMMONS NOTICE**

To,
**All the Respondents.**

WHEREAS the above-named Petitioner has filed the above-mentioned Original Suit (Guardian) Case before this Court in respect of the guardianship matter stated in the plaint, it is hereby summoned that you appear before this Court on the 9th day of October, 2026 at 10:30 a.m. either in person or by the pleader duly instructed and able to answer the claim and file written objection, if any, and produce all documents in your power and possession upon which you intend to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your appearance before this Court on the aforesaid date and time the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the Order of this Court this the 18th day of September, 2026.

Sd/-
**Sr. Sheristadar,**
**District & Sessions Court, Bishnupur, Manipur**

SL/Sush/6,7

---

## OFFICE OF THE THOUBAL MUNICIPAL COUNCIL THOUBAL, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/ খংহনজবা

*Thoubal, 6th October, 2026*

No. 3/TMC/NP/2024-74 চেরোল অসিনা খংহনজরি মদুদি Smt. Okram Tababi Devi W/O Okram Kulasingdhu Singh, লৈফম Thoubal Okram Maning Leikai দা লৈবা মীওই অসিগী মমিংদা লৈবা Women Vendor, Licence No. 39/Sweet Meat 2020, Seat No. 06, Plot No. N-1 (GF), Trade Sweet Meat Seller, Thoubal Ima Keithel অসি Smt. Okram Ongbi Atom Ningol Ibe Devi W/O Okram Shyam Singh লৈফম Thoubal Okram Mamang Leikai, PO & PS Thoubal দা লৈবা মীওই অসিদা মীং ওনজরগে হায়না application থারক্লে।

কনাগুম্বনা অয়েৎপা পিনিংলবদি মখাদা সহি তৌরিবা অসিদা অইবা চেরোল নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পিশিনবা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই। লোয়ননা মীং ওনথ্রগনি।

Sd/-
Revenue Officer,
Thoubal Municipal Council, Thoubal.

SL/Nute/07

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref.: Mut. Case No. 704/SDC/IW(C)-I dated 06/10/2026

1. Konthoujam (N) Nalini Devi, D/o. (L) Samungou Singh of Sagolband Phurailatpam Leikai
2. Konthoujam Indrani Devi, D/o. (L) Samungou Singh and W/o. Gurumayum Shashikanta Sharma of Kwakeithel Laishram Leikai
3. Konthoujam Anandkumari Devi. W/o. Chingangbam Premananda Singh of Sagolband Sayang Kurao Makhong
4. Konthoujam Ibemhal Devi, W/o. (L) K. Surchand Singh of Sagolband Sayang Kurao Makhong

-Petitioners

-Vs-

1. (L) K. Sakhenbi Devi, D/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong
2. (L) K. Modhubala Devi, D/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong
3. (L) K. Pramodini Devi, D/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong
4. (L) K. Surchand Singh, S/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong
5. K. (O) Purnimashi Devi, W/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong O.P. (s)

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Lamphel, the 6th August, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা K. Sakhenbi Devi, D/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong, (L) K. Modhubala Devi, Dio. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong , K. Pramodini Devi, D/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong , K. Surchand Singh, S/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong, K. (O) Purnimashi Devi, W/o. (L) Samungou of Sagolband Sayang Kurao Makhong গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর **85-Sagolband**, অরিবা পাট্টা নম্বর **85/214 (O)** অনৌবা পট্টা নং **430 (N)** দাগ নং **5144** অমসুং এরিয়া **0.0356** হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner শিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/07

---

### ক্রোসৱার্দ ১১৬২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | D | S | ■ | H | A | R | P | ■ | S | Q | U | A | D |
| S | K | E | E | ■ | A | M | O | R | ■ | P | U | N | C | H |
| H | I | L | T | ■ | C | A | T | O | ■ | E | A | S | E | L |
| A | T | T | A | C | K | H | A | M | M | E | R | ■ | ■ | ■ |
| W | A | S | S | A | I | L | ■ | ■ | A | C | T | S | U | P |
| ■ | ■ | ■ | I | N | T | ■ | P | A | T | H | ■ | E | R | A |
| M | I | S | D | O | ■ | G | E | L | T | ■ | A | M | I | S |
| A | T | T | E | N | D | E | R | M | E | R | C | I | E | S |
| L | E | O | S | ■ | R | T | E | S | ■ | A | I | S | L | E |
| T | M | C | ■ | J | A | Z | Z | ■ | A | N | D | ■ | ■ | ■ |
| A | S | K | S | O | F | ■ | ■ | L | A | C | T | O | S | E |
| ■ | ■ | ■ | A | T | T | I | R | E | C | H | A | I | N | S |
| P | I | N | O | T | ■ | S | E | T | H | ■ | S | L | I | T |
| O | V | I | N | E | ■ | A | L | O | E | ■ | T | E | T | E |
| V | E | X | E | D | ■ | W | Y | N | N | ■ | E | R | S | E |

# ১৬শুবা মিষ্টর কংলৈপাক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোয়রে: মব্বা

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬, (এস এন এস)ঃ মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন (মাব্বা), নিংথেমচা নিঙোল চোংথাংম ওংবী ইমা ইবেমা রাজকুমারী সনাতোম্বী ট্রষ্ট অমদি ৱাই দব্লিউ সি পাৎশোই পার্ট–১না খুৎশম্নদুনা ১৬শুবা মিষ্টর কংলৈপাক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ থা অসিগী ১৮দা ৱাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট–১দা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোয়রে হায়না মাব্বাগী জেনরেল সেক্রেটরী সাপম জয়চন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

কন্টেষ্ট অসিগা মরী লৈন্না তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা কে বি বি জিমগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সাপম জয়চন্দ্রনা হায়, মাব্বানা চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাকপা মিষ্টর কংলৈপাক ২০২৬ হন্দক চহীগী ওইনা থা অসিগী ১৮দা পাৎশোই পাট–১দা লৈবা ৱাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোয়রে। অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা লমদম অসিগী মীপুম খখুদিংমক মরুওইনা তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহাশিংবু মশা মউ ফবা তিঙ্গং কায়জংদবা, নিশাগী ইপাক্তগী লাপ্না লৈহন্নবগী ৱাখল্লোনদা কম্পিটিসন অসি চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি।



হন্দক চহীগী ওইনা কন্টেষ্ট অসি তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ৭ সেনিয়র (সোর্ট, মেদিয়ম, তোল অমসুং সুপর তোল), জুনিয়র (সোর্ট, মেদিয়ম, তোল অমসুং সুপর তোল), সব–জুনিয়র (সোর্ট, মেদিয়ম, তোল অমসুং সুপর তোল), মেন ফিজিক (বিলো ১৬৫ সেন্তিমিটর অমসুং ১৬৫ সেন্তিমিটরগী মথক) ৱুমেন বোদি বিল্ডিং, ৱুমেন ফিটনেস অমসুং মাষ্টর (চহী ৪০দগী ৫০ অমসুং ৫০ মথক) দা অথোয় অহেন তান্নগনি। কেটোগোরি খুদিংমক্কী মকোক মথং তাবশিংদা শেলগী মনা, মেমেন্তো,মেদল অমসুং সার্টিফিকেটনচিংবশিংগী মনাশিং থল্লি।

জয়চন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়, কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট অসিগী জিমশিংগী কোচ অমসুং মেনেজরশিংনা এফিলিয়েট তৌদবশিংনা অথুবদা মাবাদা থুনা এফিলিয়েট তৌশিনবা খঙহলকপগা লোয়নননা এফিলিয়েট তৌবা জিমশিংগী শান্নরোইশিং কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীরোই। হায়রিবা কন্টেষ্ট অসিগী ফোর্ম কে বি বি জিম তেরা, শগোলবন্দদা লৈবা এম কে ফিটনেস, ৱাঙ্খেগী প্রভাবতি ফিটনেস সেন্তর, ওইনামগী শাজেলশঙ, এ৩ প্রফেক্ট জিম পাৎশোই পার্ট–১ অমসুং লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্তগী লৌবা য়াগনি হায়রি।

লোয়ননা ফোর্ম থাজিনবগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ১৭ ফাওবা ওইগনি। হাইট চেক্কিংনা নুমিৎ অসিমক্কী অয়ুক পুং ৯ তাবদগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা মাব্বগী হেদ ওফিস কে বি বি জিম তেরা সাপম লৈরক্তা পাঙথোক্কনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০২৬ অসিদা মশান্না অসিবু নুংশিবিবা অমসুং পামজব লমদম অসিগী মীওইশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা জিমশিংগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াদুনা মপুং ফাবা কম্পিটিসন অমা ওইহনবীয়ু হায়না জয়চন্দ্রনা অপিল তৌরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মাব্বাগী প্রসিদেন্ট অমসুং আই এফ বি এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. আরকে হরশ্যাম, মব্বাগী জোইন্ট সেক্রেটরী এনকে প্রেমনাথ, মোরাম্বা তোংব্রম, মব্বাগী ত্রেজরর অমসুং আই এফ বি এফকী জোনেল সেক্রেটরী রন্ধির থিয়াম, আই দব্লিউ এফ বি বি একী প্রসিদেন্ট এ কামেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরী ৱাশিংতম খাইদেম অমসুং বি দি বি বি এ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরী এন কান্তসু শরুক য়াখি।

# পি ভি সিন্ধু অমসুং শ্রিকান্থনা ফিন্নলেন্দদা পাঙথোক্কদবা আর্কটিক ওপন সুপর ৫০০তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০৬, (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা ফিনলেন্দগী ভান্তাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০গী মনা ওইরিবা আর্কটিক ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ওলেম্পিক মেদলিষ্ট পিভি সিন্ধুনা মেম্বর ২০না শাবা ইন্দিয়াগী কন্টিজেন্ট লুচিংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী সটলরশিংনা হন্দক জপানদা পাঙথোকখিবা ২০ শুবা এসিয়ন গেমসতা মেদল অমখক ফংবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী টিমনা মমাঙগী হ্বাংজো এসিয়ন গেমসতদি মেদল ৩ ফংখিবনি। পিভি সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর–ফাইনেলদা চাইনাগী চেন য়ুফৈগী মখূৎতা মায়থীদুনা আইচি–নাগোয়াদা মেদল লৌবা ঙমদনা নিংবা কায়খি। মশাগী চহী ৩১ শুরবী সিন্ধুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎতুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা বি দব্লিয়ু এফ (বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন) ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদসু ক্বার্টর–ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

সিন্ধুনা আর্কটিক ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদগী হৌদুনা মহাক্কী থোয়দোক হেন্দোকপা পার্ফোমেন্স উৎন্নবা হোৎনগদৌরি।

কিদম্বি শ্রিকান্থ অমদি ঐচ এস প্রনোয়সু মখোয়গী হান্নগী ফোর্মদা অমুক হল্লক্কবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লম্বা শ্রিকান্থনা চহী অসিগী য়ুএস ওপন সুপর ৩০০ টুর্নামেন্টতা রন্নর অপ তাখি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা কনাদাগী ব্রাইন য়াংগা শান্নগদৌরি।



২০২৩গী এসিয়ন গেমস অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ঐচ এস প্রনোইসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা মরিশুবা সিদ কল্লিবা দেনমার্ককী এন্দর্সন এন্টোন্সেনগা লম্বা তৌনরগনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা কেরলা মচা অসি মমাঙ চহীদগী মশক থোকপা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমদনা লাখি অদুবু চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ভিয়েটনাম ওপনদা ক্বার্টর–ফাইনেল চঙ্বা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতনা টাইপৈ ওপন সুপর ৩০০গী টাইটল লৌখিবা ঙমখি। টানভি শর্ম্মানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চিয়ু পিন চ্যানগা লম্বা তৌনবগা লোয়ননা ভিয়েটনাম ওপন সুপর ১০০গী রন্নর–অপ ইশারানি বরুৱানা থাইলেন্দগী মকোক থোংবী সিদ তা লৈরিবী রাটচানোক ইন্তরনোনগা মায়োক্নদুনা মহাক্কী খোঙচৎ হৌদোক্লগনি।

অতোপ্পশিংগী মরক্তনা কোরিয়া মাষ্টর্স সুপর ৩০০দা মহাক্কী অমত্তা ঙায়রবা বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী অশ্মিটা চালিহানা ৭শুবা সিদ কল্লিবী দেনমার্ককী লিন খৃষ্টোফরসেনগা অমদি হন্দক্কী এসিয়ন গেমসতা মালেমগী তরুকশুবা মফম কল্লিবী ইন্দোনেসিয়াগী পুট্রি কুসুমা ৱার্দানিবু মায়থীবা পীরমখিবী উন্নাটি হুদানা চাসনাগী হান ক্কিন সিগা থেঙ্গাইনরগনি। নুপাগী ডবলসতনা ইন্দিয়াগী হরি হরন অমসাকারুনন অমসুং এম আর অর্জুনগী জরানা ইংলেন্দগী এলেক্স গ্রীন অমদি জাচ রুসকা অদুগা ৫শুবা সিদ কল্লিবা কৃষ্ণ প্রসাদ গরাগা অমসুং প্রুথবী কৃষ্ণমুর্থি রোইনা চাইনাগী হে চি টিং অমসুং রেন স্যাং য়ুগা মায়োক্নরগনি।

## ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (এস এন এস)ঃ অসামগী গুৱাহাটিদা দিসেম্বর ১১দগী ১৭ ফাওবা অমদি বিহারগী পটনাদা চহী অসিগী দিসেম্বর ২১দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা ইলাইট মেন এন্দ ৱুমেন নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা মথং থা নবেম্বর ২১দগী ২২ ফাওবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

নবেম্বর ২১গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ৱেঠইন চেক তৌগনি। শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংনা ১৯৮৬গী জনুৱারী ১দগী ২০০৮গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগনি। ত্রাইয়েল লাকপা মতমদা বোক্সরশিংনা অধার কার্দ, পাসপোর্ট ফোতো কোপি লোয়নরক্কদবনি।

ত্রাইয়েল তৌগদবা নুপাগী ৱেটশিং অদুদি কেজি ৪৭–৫০, কেজি ৫০দগী ৫৫, কেজি ৫৫দগী ৬০, কেজি ৬০দগী ৬৫, কেজি ৬৫দগী ৭০, কেজি ৭০দগী ৭৫, কেজি ৭৫দগী ৮০, কেজি ৮০দগী ৮৫, কেজি ৮৫দগী ৯০ অমসুং কেজি ৯০ মথককনি।

নুপীগী কেজিশিং অদুদি কেজি ৪৫দগী ৪৮, কেজি ৪৮দগী ৫১, কেজি ৫১দগী ৫৪, কেজি ৫৪দগী ৫৭, কেজি ৫৭দগী ৬০, কেজি ৬০দগী ৬৫, কেজি ৬৫দগী ৭০, কেজি ৭০দগী ৭৫, কেজি ৭৫দগী ৮০ অমসুং কেজি ৮০ মথককনি।

ত্রাইয়েলগী অকূপ্পা মরোল ৯৮৫৬১৩৫৮০৪ নত্রগা ৯৬১২২৩৫৬০ নত্রগা ৯৬১২৫৪৭৮৩০ নত্রগা ৯৩৬৬৯৭২৬৮৩দগী খঙলবা য়াগনি হায়না মাবাগী সেক্রেটরী জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## কিমি ২০০গী সাইক্লোথোন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিয়েসন (এম এ এ এম বি এ)না শীন্দুনা হৌখিবা ওক্তোবর ৪দা কিলোমিটর ২০০গী সাইক্লোথোন পাঙথোকখ্রে।

সাইক্লোথোন অদু অয়ুক পুং ৫তাবদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রোটরি ভবনদগী রিমসকী মেদিকেল সুপ্রিনটেন্দেন্ট ডা. নেপ্রম সনজিভ সিংহনা লমথাখি।

সাইক্লোথোন অদুগীদমক পূন্না রাইদর ৭৭ রেজিষ্টার তৌবগী মনুংদা ৬১না শরুক য়াখি অমসুং সাইকলিষ্ট ৫৬না অপিবা মতম পুং ১৩গী মিনিট ৩০গী মনুংদা লমথুংফম য়ৌবা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্তগী সাইকলিষ্টশিংনা শরুক য়াখিবা সাইক্লোনথোন অদু নুমিদাং পুং ৬.৩০দা মেদল য়েন্থোকপগা লোয়ননা লোয়শিনখি।

কিলোমিটর ২০০গী সাইক্লোথোন অদু শিনবদা চাউনা মতেং পাংখিবা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল, ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং মেদিলেন্দ এম্বুলেন্সবু এম এ এ এম বি এগী প্রসিদেন্ট ডা. এনজি অরুনকুমারনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না চেরোল অদুনা হায়রি।

## রেফরি, টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৪দগী ১০ ফাওবা সি ৱাই দি ও এল লিলোং চজিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮শুবা ষ্টেট লেভেল সব–জুনিয়র (বোইজ এন্দ গালর্স) অমসুং ভেটরান (মেন) হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬তা কন্দক্ত তৌগদবা রেফরি অমদি টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিংগী মিং ঙসি মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

কন্দক্ত তৌনবা লাউথোকপদা য়াওখ্রবা রেফরি অমসুং টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিং অদুদি এন মানিগুন চনু, আরকে সুনিতা, দিম্পল এম, টিঐচ রোবিন্দ্রো, এন বোয়াই, এন প্রিয়োকুমার এলাইজ বোবি, আই দিনাচন্দ্র এলাইজ নাওবী, এন সিতলজিৎ অমসুং এ সামসননি।

খল্লবশিং অসি টুর্নামেন্ট কম্মীটিগী জোইন্ট সেক্রেটরী অমদি কনভেন্নর কেএসঐচ রোমেসতা থা অসিগী ৪দা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

নাকল অমরোমদা ৩৮শুবা ষ্টেট লেভেল সব–জুনিয়র (বোইজ এন্দ গালর্স) অমসুং ভেটরান (মেন) হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ অসিগী সপ্লিমেন্তরি পেনেল রেফরি অমদি টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ত তৌনবগীদমক টিঐচ গোজেন অমসুং এন সুমোবালা দেবীবু মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসননা খনখে।

খল্লবা মখোয় অনীনা থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা টুর্নামেন্ট কম্মীটিগী জোইন্ট সেক্রেটরী অমদি কনভেন্নর কেএসঐচ রোমেসতা থা অসিগী ৪দা রিপোর্ট তৌরনবা মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী ওননরি জেনরেল সেক্রেটরী অরাম্বম বিরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## গোপালদে (এন) কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গোপালদেব (এন) কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা গোপালদেব (এন) কাংখুৎনা এস এস য়ু শিংজমৈ কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৩–১১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা গোপালদেব (এন) কাংখুৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা ৭ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ৬ স্কোর তৌখি।

# সোং সোং এফ সিনা মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬কী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬, (এস এন এস)ঃ মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মাও ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নদুনা এ এফ এ টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্লগা চথরকপা মাও ষ্টুদেন্টস মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬গী চেম্পিয়ন সোং সোং এফ সিনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা সোং সোং এফ সিনা পুদুনামৈনা এফ সিবু গোল ৪–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা সোং সোং এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ কাথেহরিনা অহানবা হাল্ফকী ২৩শুবা মিনিটতা, জর্সি নম্বর ১১ অদাজিওনা অনীশুবা হাল্ফকী ৫০শুবা অমসুং ৫৫শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৩ কাইসু ফিমুনা হাল্ফ অসিগী ৮৯শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সোং সোং এফ সিগী জর্সি নম্বর ১ কাজিখো অমদি পুদুনামৈ এফ সিগী জর্সি নম্বর ৫ অশিখো, জর্সি নম্বর ১১ খোজিওদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসিদা জয়শিং মোন্সাংনা রেফরি, লোরেন্সনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, কোশিংৱারনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং কাপানি রাজিনানা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সোং সোং এফ সিদা শেলগী মনা লুপা লাক্ষ ১,৫গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি মেদল, রন্নর অপ তাখ্রবা পুদুনামৈদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৭৫গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি মেদলশিং ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গোল্ডন বোলনা সোং সোং এফ সিগী জর্সি নম্বর ২৩ লোহরি কাইসি, গোল্ডন বুটনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ থোমাস অদাজিও, গোল্ডন গ্লোভনা চোৱাইনু এফ সিগী নেরিও, ইমর্জিং প্লেয়রনা পুদুনামৈ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১ মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙায়রিবা জিভুজি চাচে অমসুং টিম অসিগী চহী ১৭ শুবদা ঙায়রিবা জর্সি নম্বর ৪ ফোকরেহরি অথিজিওনা অমদি ফিয়র প্লে অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা চোৱাইনামৈ খুল্লেন এফ সিনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসি দিপ্যুটি সি এম লোসি দিখোনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# দি সি চান্দেল ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬, (এস এন এস)ঃ দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স, চান্দেল খৃষ্টিয়ানদা ঙসিদগী দি সি চান্দেল ট্রোফি (সুপর, ফার্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দিভিজন) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ শান্নবা হৌখ্রে।

ফাষ্ট দিভিজনদা টিম ৮না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্লগা অমদি সেকেন্দ দিভিজনদা টিম ১৬না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্লগা চথগদৌরিবা দি সি চান্দেল ট্রোফি হৌদোকপগী থৌরমদা ১০ এ আর মহামানিগী ও সি, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট এসদব্লিউ সিলাস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার চান্দেলগী টিঐচ বিরেন্দ্র সিংহনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি স্পিসিয়েল কন্ট্রেক্টর দিবি কোৱর লমকাংনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি ওপনিং ওইনা শান্নখিবা ফার্ষ্ট দিভিজনগী অহানবা মেটচতা চাকপিকারোং ৱাই সি অমসুং অঙ্খেল চায়াং ৱাই সি পিবা মতম ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ঐচ এল অটলিনা রেফরি, ইলিয়া কাংতেননা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, তেশিলফুং নংশানা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং কে এল নিংথানা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

দিভিজন অসিগী অতোপ্পা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ৱাই সিনা মোন্সাং পন্থা ৱাই সি সিবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৯ এসটি কোনিথানা মেটচকী ২৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এনএল ইনহলুঙমনা মেটচকী ৬৫শুবা মিনিটতা অমমম চনখি।

মায়থিরবা মোন্সাং পন্থা ৱাই সি সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী ১৮শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১০ রোলিশ ঙোরুহনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৩ বিএস ফোৱলথাহরিং অমদি মোন্সাং পন্থাগী জর্সি নম্বর ১৬ এনজি জোন্সনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা আর দি তাঙনিনা রেফরি, নাকিসননা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, ভিরগিনিয়া ৱাংলর মোন্সাংনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং ঐচ এল অটলিনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা ফার্ষ্ট দিভিজনগী পুল–এগী মেটচতা রিন্দামখু এস সি অমসুং লিৱা খুল্লেন ৱাই সি, অনীশুবা মেটচ ওইনা সেকেন্দ দিভিজনগী পেনাচিং ৱাই দি সি অমসুং পনচাই এস সি সিনা অহুমশুবা মেটচ ওইনা ফার্ষ্ট দিভিজনগী পুল–বিগী মেটচ ওইনা মহামানি ৱাই সি অমসুং চিঙ্খুচ ৱাই সি সিনা শান্নরগনি।

## মণিপুরনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ নবেম্বর ২৮দা হোষ্ট ওইগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০৬, (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ক্লব ১৩না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) ২০২৬–২৭কী ফেজ–১গী ফিক্সচর লাউথোকখিবদা মণিপুর য়াওখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ২৮দা নোর্ঠ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব অমসুং স্পোর্টিং ক্লব দিল্লিগা শান্নগদৌরি।

আই এস লীগ ২০২৬–২৭ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লবশিং অদুদি বেঙ্গলুরু এফ সি, চেন্নাইয়িন এফ সি, চর্চিল ব্রাদরস, ইষ্ট বেঙ্গল এফ সি, এফ সি গোৱা, ইন্টর কাসি, কেরলা ব্লাষ্টর, মোহন বগান সুপর জাইন্ত, মুম্বাই সিটি এফ সি, নোর্ঠ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি, ওড়িশা এফ সি, পঞ্জাব এফ সি এন্দ স্পোর্টিং ক্লবনি।

আই এস এলকী ফিক্সচর লাউথোকখিবগা লোয়ননা লীগ অসিদা পূন্না মেটচ ৭৮গী মনুংদা ৫৩দা ইরাই, থাংজ নত্রগা নোংমাইজিংদা শান্নহনগদৌরি। মসি ফেনশিংদগী লাকপা ফিদবেক্কী মতুংইন্না ওর্গনাইজরশিংনা লেপ্পনি হায়রি।

লীগ অসিগী অহানবা মেটচ অদু বেঙ্গলুরু এফ সিনা দিল্লি ক্লবদা বেঙ্গলুরুগী কর্ণতীরাভা ষ্টেদিয়মদা ওক্টোবর ১০দা শন্নদুনা হৌদোক্কদৌরি।

## মেদল লৌরকখ্রবা থাঙ–তা শান্নরোইশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬, (এস এন এস)ঃ জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা লৈবা মল্টিপর্পজ ইন্দোর স্পোর্টস হোল পোলোগ্রাউন্দদা চথখিবা ৩২শুবা নেসনেল জুনিয়র থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা সলাই থাঙ–তা শিন্দমশঙ তেরা সাপম লৈরক নোংমাইথেম লৈকাইদগী মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোই ৪ ঙসি পাৎশোই এ সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরগী য়ুমদা ক্লব অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা শিন্দমশঙ অসিগী লাইরেঞ্জম চীঙ্খোঙানবানা লৈতেংদা গোল্ড মেদল, মাইবম নেলসননা থাঙলোনদা গোল্ড অমসুং লমজিংবা আরকেনা থাঙলোন অমসুং খুৎলোনদদা গোল্ড মেদল অমদি লোইতোংবম পুস্পানা ফুনবা অনীশুবাদা সিলভর মেদল লৌরকপা ঙমখি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সিগী সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা শান্নরোইশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড ২০, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ২৭ লৌরকপা ঙমখিবনি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com